OR,1CHO NO

(অনিশুবা শরুক)

ময়ামগী

ক্ষেত্রি চাওবা

চীংঙা মথা ক্ষেত্রী লৈকায়

[সত্ত্ব পুম্নমক অইবগী]

মমল লুপা কুল (২০-০০)

পুখ্ৰোকচবা — অহুমবা [illegible]

লাইরিক শকমাই য়েকপিবা : — তখেলরুম হুংশিখোই মিতৈ
তখেলম্বম লৈকায় (R.M.C Rood)

শকমাইবু লমজিংবা থৌরম থৌদা য়েংশিনবা :
কোইজম ইন্দ্রকুমার মিতৈ (R.M.C)

অহানবা কোংবা : তাং ২৮ ৮-৯০.

কোপী মশিং —

MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY
ACC. NO. 2187/84
CANCHIPUR, IMPHAL-3

ফংফম :—

(1) এ.কে. ষ্টোর পাওনা বাজার

(2) মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফাল
পাওনা বাজার

(3) S.S. Brother.s Store
R.M.C Rood Imphal

Price checked and found correct
entered in the Accession register
vide Accession No. ... ...
and tae b l for Rs. ... ...
may be passed for payment.

তেংবাৱীরপাশিংবু নিংশিংজবা

ইহান হেক হুমিগুতদা লৈভাক্লোন শৈরেং (অহানবা অমসুং অনিশুবা শরুক্তা তেংবাংবীরকপশিংবু অমত্তা ওইনা থম্মোয়দা কোনশিন্নরি।

ইনিংবা ইথিন অমা লাকখিবদগী শৈরেং মচা কয়ামক্কম খোরি খোরাঙ্গুম খোৎচিন্নরুবা শৈরেংশিং অসি ময়াম মমাংদা ফোংদোক্লিংবা ইনিল অমা ফাওরকখি অত্তুবু খুৎকী খুইনে বনান পাবদা উচ্চারণ পুম্নমক অসি থল্লুবদা ঐহাক ইথন্তা পংইদা ইকায়ঞ্জে অত্তুবু "ইকায়বা হায়বা অসি হৌদোং মচাংক চাউত্রা" হায়বা অত্তু খংনিং নিংশিংলক্লুনা পুম্নমক থাদোক্লমলা ঈশৈ নোংমাই থরা থরা শকচবা লাইরিক লাইগুদা মথরায় য়াওজবা শ্রীপোৎশংবম বাবু ললাম্বুংদা লৈবা অমসুং মহাক্কী মরুপ মপাংশিংদা বনান রাইহে রাতা ময়েক মশোন খংদবশিংবু চুমথোকপীনবা হায়জরুবদা হরাউ হরাও য়াবীরকপশিংবু থাগৎচরি। মথংদা ঐগী ইয়াম্বা শক্লবা শ্রী তখেলম্বম বাবুধোন সিংহ অমসুং শ্রী খাদ্রাকপম ইবোবী সিংহ [illegible] ওইনা মিৎয়েং তাবিহ্না উটসাহ পিবীরক[illegible] কাউজবা লৈজদে।

ঐগী ই[illegible]মুপানা পোকপা শ্রী প্রদিপ কুমারনা মপলগী খুৎই লাইরিক অয়াম্বা শিন্দোক্লুনা ময়াম্না পাবদা খু-লোয়্নুনক হোৎনজখিবা ইচানি।

পুম্নমক অসি [illegible] পাঙ্গল লৌশিং পিবীরকপা "পদ্মশ্রী" ফংলবা শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিং, শ্রীয়ুমনাম মোহেন্দ্রো সিংহ মোইরাং কলেজ প্রিন্সিপাল, প্রোফেসার শ্রীচোংথাম ইবোতোম্বী সিংহ ললাম্বুং মখোং, শ্রীক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গী চিংঙামখা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা অহল-লমন মরুপ-মপাংশিংগী মফমদা শিংঙমদ্রবা লমন তোপ্লে হায়না নিংশিংজরি।

UNIVERSITY LIBRARY

লৈদি 'লৈতা 'ময়ামগী' 'সেবা ফংনিংবগী' লাইরিক থোকনবা পৈশা খরা খরা মিক্তরুবদা মতেং পাংবিরকপশিং :— ১] মণিপুর এডুকেসন ডিপার্টমেণ্ট (S/E) লুপা ১৫০০/– ২] শ্রী মৈস্নাম লালজী সিংহ কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈবনা লুপা ৮০০/– ৩] শ্রীমুরেম্বম নীলবীর সিংহনা লুপা ৩০০/– ৪] ঐগী মরুপ মরবারী বছরাজনা লুপা ৩০০ ৫] ইনাওমুপা শ্রীলুক্রাম শরৎ সিংহনা লুপা চানিপান [লুপা ৮০০] R.M C. ময়াদা লৈবা ৬] ঐগী ইনাও শ্রী প্রহ্লাদনা ময়াম্বগী দমক লুপা লিশিং অনি (লুপা ২০০০.০০) শ্রীমতি অহৈবম ঙংবী লোৈরেম্বম নিংঙোল ইনাও মুপী বিনো দেবী থাংমেবন্দ ললাম্বুংদা লৈবনা লুপা লিশিং তামা (লুপা ১০০০.০০) অমসুং ইশেন-মুপা শ্রীলোৈরেম্বম ইমোবা সিংহ (দাস), মনাউমুপা বীরেন সিংহনাশ অঙম্বা মতেং কয়া শিংথাবা ঙম্বা নত্তে অশুম্না ময়াম চংতুনা সেব্বা ফংহনবীবগী দমক অপেনবা ফোংদোকচরি।

অরোইবদা : — পোৎথোক অসিবু পুথোক্কবা হোৎনবদা ৱাবিরিবা প্রেসমেন অমসুং ইডিটরশিংবু অমুক হেন্না ইকায় খুরুমজরি।

(১) শ্রীইবোয়াইমা সিংহ ইডিটর জনতা,

(২) প্রোপ্রাইটর ইউনাইটেড প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরি ৱার্কস
আর, এম, সি, রোদ, ইম্ফাল।

ময়ামগী —

ক্ষেত্রি চাওবা

তাং ২৮–৮–৯০ ইং

- য়াওফম তাক্লপা -

শৈরেং মমিং | লমাই

১।	চক মরি শুমদাই মরি	১
২।	মাংখিবা মণি অনি	৩
৩।	শামু মরি তং	৫
৪।	কাং খোং চাইবা	৬
৫।	মৈতৈনি মৈতৈ	৮
৬।	নহনফমদা হল্লো	৯
৭।	শান্তি	১০
৮।	হৌনা লোনচং	১১
৯।	করিনো করি হায়বনো	১২
১০।	বারুণী কাবা	১৪
১১।	খবর খবর	১৫
১২।	মংলৈবাক	১৭
১৩।	মৈ লৌবী ক্ষেরৌবী	১৮
১৪।	লৌগু লোইরে মগশু লোইরে	১৯
১৫।	চৈরাওবা	২০
১৬।	কলংকা ভগবান	২১
১৭।	মাতৃ প্রেম	২৩
১৮।	কহামাং খুজাই	২৪
১৯।	কবি শাবা	২৬
২০।	পলেম লমন	২৮
২১।	চুনত্রবা চংনবী	২৯

২২ । নমথাক লাইনিং — ৩০
২৩ । চৈত্ত — ৩১
২৪ । চাররোই থক্লরোই — ৩২
২৫ । শাথেক অহুম — ৩৩
২৬ । তুয়েন্টি প্রোগ্রাম — ৩৫
২৭ । লাইকোক থিশি — ৩৬
২৮ । অঙাং-মহৈ — ৩৭
২৯ । মৈতৈ নহারোল — ৩৮
৩০ । বোকুল পরেং — ৩৯
৩১ । ঈশিং ইচাউগী — ৪১
৩২ । চনিং তাবীয়ু — ৪২
৩৩ । চাক-ঙা চাক-ঙা তুদোরে — ৪৩
৩৪ । শুত্র — ৪৪
৩৫ । চংনা স্বর্গ ফাবা — ৪৬
৩৬ । য়াইবুং ফম্বা — ৪৭
৩৭ । ময়াম্বা নিংবা ভরত — ৪৮
৩৮ । শরু মচেং — ৪৯
৩৯ । অরোইবা খোংচৎ — ৫১
৪০ । আইটি সেন্থূল কায়া — ৫৩
৪১ । প্রেম বুঙ্গি — ৫৫
৪২ । শরিশো — ৫৮
৪৩ । দাপ দক্ষিনা — ৫৯
৪৪ । হবাদো লৈরাংদো — ৬০
৪৫ । সনা শঙ্গাই — ৬১
৪৬ । কনবীয়ু মীতৈ ভারত — ৬৩

৪৭। ইপোম ৬৪

৪৮। নিঙোল চাকোবা ৬৫

৪৯। গুরু ভক্তি ৭১

৫০। বোল ৭৩

৫১। ফুমনোম্বা ৭৪

৫২। নরলোক ৭৬

৫৩। থাদোকপীম্নু ইমা ৭৮

৫৪। নহানা মাইবা শাথা ৭৯

৫৫। মীরাইবীরবা কবি অমা ৮০

৫৬। কোফু´ কোফ´ান লাইর কোম্নি ৮৩

৫৭। ঐনা পাম্লিঙৈ ৮৫

৫৮। কংলৈপাক ককণ্ডাওনরে ৮৮

৫৯। উৎপাৎ-উৎপা ৯০

৬০। শায়োন লিলা ৯২

৬১। মোন্দ্রং শাম্নবা ৯৪

৬২। কলি যুগ ৯৫

কচ্চবা

কোরৌ নোংদোন্দা ঙাম্থোয়ব্রিবা কোরৌহেবা ইবুংঙো
মুরিং কোটি কয়াগী মপুরেইবা ও,

নহাক্তি শলাই পুম্নমক্কী শলাইরেম্মি
নহাক্কী শায়োন লিলানি পুম্নমক
ময়েক পুম্নমক্কী মপী মপানি
থমোয় লকাদা লৈবাং ইছল তম্মিবা।

লৈরাং লৈরিক চুমত্রবস্থ খারৌবীম্থ
নহাক্তি লৈরোন কয়াগী ময়োম্মি
চোংনিংবা লৈয়োন লৈশা চোংঙম্বনি
লৈারক্কী খোইথুম্নবা কনানা কংঙমনি।

ভক্তাশিংতনা নহাক্কী রস চুপচরি
অগনি গন্ধ লেহাউ লৈনমদো
মক্ষম পুম্বদা কোয়তান তান্নরি
লৈরাং লৈনম কংহনবীয়ু তোঙ্গবৰু।

লৈঙাকংলোন শরেং
অনিঙবা শরুক

"চক মরি শুমদাই মরি"

শোঃ সত্য সত্য সত্য যুগ ;
কোরৌগী মশেক মঙাল্লি মালেমসে,
তাইবং-ইপা ঙা তাওররে ত্রেতা যুগ ;
জীবশিংগী চংকফম দ্বাপুর যুগ ;
কলক কঙাওনা থল্লবা কলি-যুগ ।

কোরৌগী মশেকশুংগী সনাহি লাংওল্লি ;
মহীরেম্না লাইজ ইপাল লাংইদো ;
থবাই মিংলেন্ মিতয়্বারে লৈময়েন ;
পোরম, পোমাই হাংবীরে লৈকাফন,
কলক-য়েংথি মৈরা-হৌরক্লে কলিযুগ- ।

বা-কায়রে ঈশিং চংলে
লৌশিং চাওবা ইপা-ইপু থংপখরে
"সুংশিনৌ অচুম্বা চৎনু" বাতেন্থীরম্মী
"পুমিন্নবা য়াংবনি চামিন্নবা হাউবনে"
"হু তরেং খাবনি নত্ত-ওইদবা" ।

"যুগ মরি কাউগন্নু
মায়কৈ মরি নিংশিংঙু
নাক-য়েৎ তুং-মাং য়েংঙু"
থক মখা করি কাওফদে

লৈঙাক্লোল শৈরেং
অনিশুবা শরুক

খোংকম অহুম কিহুপ-মরি
ছাপ্পা মরিনা থা—অমা
থা তরানিথোয়না চংনরোল অমা
চংনরোল কয়ানা যুগ অমা।

ইমাগী গর্ভ সুংদা
হিরী কোন্দনা সত্য পালন
সুংঙাই য়াইফনা য়াতাবা;
করি লৈবা অতোপ্পা।

অঙাং নবা ওইরিবৈ
করি খংদা ত্রেত্রা—যুগ
লেল্লুরে নিংঙমদে মতমদো
ফংলরোই অমুক হন্না।

প্রেমগী খোংজিন্দা থংলরে
হকচাং সুংগী তুবাপুর
কান্নদ্রবা কেন্নবা কলি যুগ
কোইপাই পাইখ্নি মালংদা।

কুম কয়াদি হৌখরে
চক কয়াদি চংদ্রি
চক—ঙা, চং-সি—চং
শিরগদ্রা অশুম অশুম।

লৈঙাকলোল শৈরেং

অনিশুবা শরুক

কলি-যুগ কয়া কংদ্রি
দ্বাপুর কয়া থোং হাংদ্রি
সত্য ত্রেতা অমতা তং তাদ্রি।
লৈরি মতম কন্নবা।

লোইদোরি কলি অমতনা
মৈরিকপিদগী মৈজাওবী হৌদোরি
তাঙ্গোয় তানা কাদোরি।
উং-ৱায়শুম ওন্দোরি।

অমং য়াইথোং কুমদোরি
মৈতান্না ৱাখৈদোরি করমনো
প্রেমতনা লাইজ-ইপাল লাংবীয়ু।
হরি মাতনা খংবা উবনি।

" মাংখিবা মনি অনি "

ধর্ম্ম কর্ম্ম খঙবা শাস্ত্রীজী
লাইর ভারতকী মাংখিবা মণি
নোংহেনবা চারানা নোংদম্বনি
চারা কয়ানা লাইর চাদম্বনি।

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিশুবা শরুক

অর্থ শাস্ত্রনা কপচগুম ফুদোংলা
তাস্কেন্দ চুক্তিদা করি নুংনাংবা
করি-লৈতা থৌরমদা নিংঙমদা
পারা অমা ফানবা চৈরাক লিংবা।

য়েংজনিংখিদো লাল-বাহাদুর মথৌনা
নোংশাগুম মগুন লৈবা মীথোয়বা
শুভাচন্দ্র ভারতকী অথোবা কৈ
কৈরেন কৈজাও অনিগী মতিক্কো।

পাম্মুইদা উৎপিরমদে অনিগী মঙাক্কো
খংখিনি উখিনি মতাগুম লোৎখিবা মণি
ঙালমুবদি মঙাল মমলয়োই ভারত
রাম-কৃষ্ণ কনানো খংলমগনি।

কুবেরগুম্বগী মচাইবুংঙো শুভাচন্দ্রনা
পৃথিবী থুংনা চাক্রি ফি নিরুবা
নিংঙমদে নিংঙমদে লাইরবী মমাগীদমক
শক্লোন কয়াগী শাথেক্লা শক ফোংবা।

কোলোয় মিংলেন পনবদা পীরাংলিবা
মরৈবাক মজ্জাত্তিগীদমক থৌনা পীওবা
মীনাই য়োৎহল্লাং লায়না থৎঙবা
নোংশাগী লাল্লাউডা বৃটিস মিপাইবা।

লৈঙাক্লোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

লানঙম কিরাল যুংবীরস্বা মনিপুরদা
মমা-লৈবাক পোকনকম ফংঙম্বদা পেঙ্গবা
ঈশিং-মুংশিং লাম্বা ইক্রগুম্বা ইবুংঙো
শিবা-চংবা থংদনা শক লোংলিবা।

" শমু মরি তং "

হৈপাল-লৈপাল উরি-বারি বাক্তানৈ
নীগু-লাইগু লাইফাও তিনকাওনৈ
লেংলি-পাল্লি পুন্নমক পোকশিশি
জীবগী কান্নবা ঈশ্বরনি মাংহনবা মীভোপনি।

থম্বালম্নুবু থিংঙেল খিংবদা হাম্না
কুক্ষা মমুং চং, শমু মরি তং
গমভীরশিং নম্নশিং অঙম্বদা লৌনমবনি
মনাই পুর্ণামশিংগী কলক মিহৌনি।

পংহায় হায়নৈ, পংকোং কোংনৈ
পেং চোইয়ে পীবা, পদংনরে পনমাংদা
মালং খোংগাউনৈ অহুনি অদানি
থংনা থংনা থংশিন্নদবা ওনথোকপনি।

কাং খোং চাইবা

৬

লৈঙাকলোল শৈরেং

অনিগুবা শরুক

উটনা শাহীং-তিংখং শগুপ শাইগুম
নোংমৈ-গুলি অরং অরাক তান্নরি।
খাংতেক-মুংতেক করি মীহৌবা
করি তুমিন তুমিন পৈশিন্নবা ?

লোলাগুম-গাথাগুম করি কোইচেন
নমদা অচৌ-অশাং শাগৈ কারন
হয়েং-মপোক হুই হৌদোংগুম
তুমিন তুমিন করি কোইচেন-চেন।

শরু-শয়াং শাইরনি শোয়দনা
উংথি-ৱাইথি মরক্তা য়াওন্না
থোয়না হেন্না তাথি তাওইখনি
মপুনিংৱা হুইরোই শারিবশা।

ইনাং-মনাং, ইথুন-মথুন
খোলৈ-খোন্দা, খোইজেন-লিংজেন
হৈ-লৈগুম মগুং করি তান্নরি
শেংনরি শায়নরি হিংচা-চানরি।

অনিগুবা শরুক

অহানবদা ধর্ম্মদা লান্দাখো
শুমাং থেল্লোং তেমথোকখো
লাইনিং-লাইশোন চুমথোকখো
লম্বী ফাৎখো লময়ানখো ।

ইশা নশক থংনা
খুত্তম চেৎনা খুর্জী পায়রা
য়াজোয় শগোল থৌবীয়ু
থোয়না হেন্না হৈথোয় শিংথোয়নি ।

থংলা উরা গানধীবা পায়শুম
অচুম্বা লানফমদা মাইওনবীয়ু
মাংলা তাইবংনি ব্রহ্মাস্ত্র কাপ্পীয়ু ।
ফত্তবা পুখ্বা তুম্না কাপ্পীয়ু ।

কাঙ্গ. কাপথ্রবদি শোয়কত্রবনি
অনতা ওইবা মুংশি প্রেম
থম্মোয় লাইয়ুমদা চেজেং কোন
তৎনা থানবা য়াত্রবা মকমদা ।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

মৈতৈনি মৈতৈ

নংসে ঐগীনি
ঐসে নংগীনি
মৈতৈনি মৈতৈ ।

নংহাক ঐহাক অমতনি
ঐগী থবাই নংঙোন্দা
নংগী থবাই ঐঙোন্দা ।

লুপনরি অমনা অমদা
মুংদা ফুমদুনা থম্মরি
শুৎনা থানবা য়াদনা ।

মুংগী মুংশিং শিংলি
হায়না হুমনা য়েল্লি
মুংশিনা অমনা অমদা ।

(— — — —)

লৈঙাক্লোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

নহনফমদা হল্লো

নহনকমদা হল্লো
নতেকমদা হেরো ॥
করম্না হিংনি
করম পানগনি ॥

মরু ফুক্রা তলা পামেম্নি
করম্না ময়োন চোংপনি ॥
ধর্ম্ম লৈত্রবা সমাজনি
নৈহৎপীরবা অঙম্বশিংনা ॥

মুশি-মুশিরবা পোদোনগুম
মুৎখিদোবা ঙায়হাক্তা ঙায়রে ॥
করম ওইরকপা
কদায়দা কাইদোংবা ॥

মহাক্তনা পিনহৈবনি
মহাক্তনা পুম্নমক ঙাকপিষনি ॥
অকবা ৱাখল অচুম্বনি
লমকৈ ৱাখল অরেম্বনি ॥

(— — — :— —)

লৈঙাকলোল শৈরেং
অনিশুবা শরুক

" শান্তি "

হুংডায়বা কল্হনো,
থম্মোয় শান্তিদি
পেনববু হৈত্রবা
পুন্নমক অরেম্বনি ॥

ন[illegible]টৈবা [illegible]
স্নায়দগী অথো [illegible]
ভক্তি-প্রেমা.
নীওইবা সেবান্দি ॥

প্রেম-ভক্তি [illegible]
নংকনি [illegible]
ঐনা মহেল্লি মথনবা
লৈতরে তমা অপংবা।

ভোনবদগী [illegible]
ঐনা মহোল্লনদি:
হুংশি মপাউ পাউমেশ্রবা
ফংহনদবা নীওই মপোকনি ।

অনিশুবা শরুক

লৈজবা য়েনবনা,
থম্মোয় হাংদোকপানি;
পাজল লৌশিংনা তেংবাংবা
লৈতে অমা অমুক।

অফবতা মথনবা
অচুম্বা ধর্ম্মনি
অসি পুম্বা থংলা
থম্মোয় শান্তি ফংইদো।

হৌনা লোনচৎ

খ্বাইদগী কুইরবা খ্বাইরমবন্দ কৈথেল
খ্বাইদগী কুইরবা খুরাই কৈথেল
য়াংবী য়াংদোং য়াইস্কুল লমজাওদা
খবী-খাবা এহন্নুপ-নহারুপ ফমদোল্লিবা।

খ্বাই তরানা খংনরি লৈমাদোম্নি
খুরাই লৈমা পাম্বোয়বী শিজা
য়াইসকুল লাকপা য়ারোই অহুম
পানা ফম্বাল কানরি অথেন পোং।

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিঙবা শরুক

পানা মরি শুমদাই মরি শকথং মাইথংনি,
থকশি-থাশি চৎনথোক তাশিন উশিনগনি;
লমমিৎ তুমিৎ য়েৎনা-ওইনা থংগনি;
যাঙাং শঙাং কিজেৎ-চাকচা হৈগনি।

কুংগা কুরূপ লিংহনা
লৈকায় শিংলুপ শেমহনা
পানা পনমাং থেংরুনি
লাইগুরু শকথং-মাইথংনি।

চাকচা ইথক কঙনি
কিতুপ চাথুপ হৈগনি
হৌনা লোনচৎ তমগনি
যা-ঙাং-শংঙাং লুগনি।

করিনো করি হায়বনো

কদায়দনো কোইত্তান তানরি হোবে হোবে
কৈদোঙৈ ফঙনলোই হৌজিক হোক্লেন
"করি কমদোবা, কনা কনানো?"

অনিগুবা শরুক

কোইচেন চেল্লা কোইহং হংলা
করি ফংদনি মহাক অদো
কদায়দা লোংকনি চংকনি কদোমদা ?

অমম্বা ৱাখল কোক্লা
অঙানবা মফম অত্নদা
ইরং চাংনা লৈরিবা।

হীয়াইবু কোন্দনা মালেমথক্লা
ওন্না খোয়না চুংশি ইপাক্লা
মালেম শৈথারি য়াইফ পাউজেল পিরিবা।

অমতনি খল্লিবা মী মহাক্লো
কায়নবা ওমজ্রবা কন্না অমা
মহাক অহু মহাকনি মহাকনি !

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিঙবা শরুক

" বারুনী কাবা "

কুমগুন য়েনিং তমলকপদা
লৈরাং ইহুল হুনবদি
মপু-মাগী খোঙাল ইরিক্নি
পিরবীগী নিঙরি মরিক অমত্তু

পাংবগী কাবদি অমবদা
লোৎপনি অচুম্বাবু অমম্বদা
রাজনীতি শানবনি অমম্বদা
কোংনা কাপনি বারুনী।

অবাংবদা মঙান-মশেক লৈবনি
মাংলা-থাংলা মখল লৈবনি
পজেন্না হুংশিবদি চীঙ মহাক্নি
চীঙ-বারুনী মালেম মপারিনি।

বারুনী হুংশি-শরুম অঙকপনি
উখিনি মতাগুম অহিংদা লাইশাবা
করি থংত্রি হৌনবীনি কারি
মোত্রং শামরি হুংজাওনি-চীংজাওনি।

অনিগুবা শরুক

প্রকৃতি-খুৎশেম করম উঙমনি
মমলা হেন্না ভুরোই ভারোইনি
হেন্না হেন্না অপংলাই লাইচুনি
চাঙ্ মহাক্কী চেংলো শক্তম ইরাংপীয়্।

অহিং তাংলো অথেংবদা কল্লি বন্ন
চাংজাও শুরংদা কনাগী খুল্লম
অচং কনাগী মীরেন্না মিতমলিবা
কন্না কনাগী অহক ম্লুংজাওনো।

(— — — — —)

" খবর খবর "

ঐগী চোইরোন চেক্কোংঙি মহাক্কী খোৎকাঙি
অদোমগী অঙ্গুদি অঙ্গুনা চানবীবা নত্রা
মহাক্কীদ অহোয়্বা, অসিনা, হোৎনবীয়্বা।

অমত্তা মান্দে মহৈ-মহৈ মহুম শানরি
মখোয় মখোয়গী কৈদা য়েংনরি
কল্লিদা বাক্লৌখিল্লা হংজাইনরি কিখি-কিকম।

অনিগুবা শরুক

ঙাংনিংবা ঙাংদ্রি শক্লিং শক্তি
চেনা খুদিং মরৌ তৌনরি
ৰাহৈ খুদিং কোচি কোংনরি।

ঐগী কৃষ্ণ শোকপা য়ারোই
অদোমগী দেবরাজ য়েংবা য়ারোই
মহাকী শিবা শিংনবা য়ারোই।

য়ামখ্ৰবা চেকোং (লাইৱা-ভিনবা)
ঐগী ঐগীনা চানবীরগা লোয়রে
ৱাংপা ঙমজরোই অদোমগী অকোনবদা।

নারদ শাবা ঙাকনি লিল্লাগী
পেনদোরি মকি তাখংনা য়েংলা
কিথি-কিরুম তৌনরি পাঙদখনা।

পেন্দয়ে কোংনিংবা নিংতম ইহৌ
মাংখিগত্রা চিংন্দবা ঙমদে মালেমসে
সেবা ফংলয়োইত্রা ভক্তাশিংনা ভেংথারি।

অনিগুবা শরক

মংলৈবাক

চংলুই ঐনা মংলৈবাক্তা
তুমহুনা লৈহৌই লোয়না
মখুত্তি তিংথোরকই তুমিন্না ;

হৌদোকপসু তাদে রাবনগুম
সনাগী-কাগোক মখুম হাংদোরকই
লৈমানা চিনগুপশেন থাংদোরকই ।

সনাগী কাগোক-ডোনেসন কোটানি
লুপাগী চিনগুপশেন কলচরনি লৈমগী
মশা-মশানা নিংথৌ মহারানিনি ।

সনাগী কাগোক্তা খেল্লি হাপত্রবা
লুপাগী চিনগুপশেন্দা মহী হৈদ্রবা
মখোল হৌদরে কহমাং খুজাইরে ।

পোংলমু গুরা মখোল থোক্লে
ক্রোং ক্রাং ক্রাং লাওই
চেং- চাং চাং লাওই ।

লৈঙাক্লোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক্

মংলৈবাক্কী মীশিং মংঙাক্লরি
লোয়নমক খাং তপ্পা মীছুল্লি
ইঙাক ইঙাক ইরাক্লরি।

মমিত্তা খুদোনবীনা থিনবা
মনা লৈবা তাদে উদে
অঙকপা মংলৈবাক্কী মীনি।

মৈ লৌবী ক্ষেরোবী

উ, উ-উ মৈ-লৌবী, ক্ষেরোবী;
হাউ-মৈ তোংচাক মৈ-খৎ।
শুপনম সাসন্দা অচান-মীরাইরে
অহাঙবদা শায়খরে শরু-শয়াং লংথোক্লে।

হাও-ময়াং, মৈতৈ-পাঙল মণ্ডং তাবিরে
য়োংনা তল য়েনবীরে, অওক অথোংনি।
মাংই-শেংই, মৈছুম চুবনি মৈতৈদা;
মৈথিঙ্গৈনা থিনবনি, চৎনবিদা ঙাওনবা।

অনিশুবা শরুক

মৈনা চাক্লবা, মৈশুং-নম্বা চৈঙাক্লি;
কায়রবা, ঈশিং চংলবা হীজাওনি,
কনবীদরে হিজাওসে, লুপখিদৌরে ইয়াইদা;
অশুপ্পনা য়োংখিদৌরে, হিয়াং হিরেনসে॥

(— — — — —)

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিশুবা শরুক

লৌশু লোইরে, ষনশু লোইরে।

কোং-কাং, গোং-গাং, খুলক-ইরক কদায়,
তাবা ফংজদরে নাপদা মফম কদায়,
লৌশু-লোইরে, ষনশু লোইরে।

ধম্ম মাংখরে মীয়ুংশি লৈতরে;
মীহাং-মীপুন মীশা-চারে।
ইরোল-ইরান তাক্লে, কাংখোং চাইরে।

লৈঙাক্লোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

লৈজবা পুম্নমক কৎখরে মৎখরে,
লৈতহনা চারাম চদৎলে পুকচৎলে
থম্মস্থ মাংখরে, চাখাউস্থ শুদৎলে

চৈরাওবা

মালেমগী কুমওন পালোনশি,
পম্বৌগী কুমওন লংওনশি।
শজীবু চৈরাও. চরক-পুজা,
নিয়ু-ইয়ার, ইদকা চান্দ,
হেপী বার্ড ডে, তু ইয়ু॥

অহাংবা মালংদা মালেমা মদোমদি;
কোরৌগী মশেক্লা মঙান পিবীরি;
কোরৌস্থ অহাং অতিয়াদা ভাঙ্গোইরি;
খাজ-মাস্থ মালেমগী মমোমনি,
কৃষ্ণ-জর্মা, রাধা অষ্টমী।
শজীবু চৈরাও, মালেম কুমওদি;
ইদকা চান্দ; খাজ কুমওন্নি;

অনিঙবা শরক

নিয়ু-ইয়ার, কৌরৌ কুমওন্নিঃ
কুমওন অমা লাকপদা কুমদমলি,
হৌনা—পরৈ-য়েংনা-চৈথানৈ ।

মালেম্বু উজবা নংগী-খৌজানি
কোয়ৌবু উজবস্থু নংগী নংঙানি
থাজগী মায়খোং নংহাক্কী ভনৌবনি
কুমওন্নরি পেনবীয়ু পলেম অপোকপী
প্রকৃতি লাইরেম্বী অচুম্বদা কায়দোংলিবী ।

খলংকা ভগবান

কলানা কারে, কংলৈ মৈভৈঃ
কলচরনা কংলে, কংলৈ মৈথৈ;
সংকৃতিনা শাইরে, পুমশাই শাম্বরে,
হিগোক খোক্কে, ময়া লাংলে ।

পলেয়া পেন্সরে পাইমা সুংদাঃ
পিয়াংনরি, মিৎজু ইপোম হৌনাঃ
পম্বৌনা পামবে, পাদোং কাবেঃ
খোইদাদরে খোইয়ুয়া খমখরে খওনিংবা ।

২২

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিঙবা শরক

কানমরে হোৎনজবা, পুম্নমক অরেম্বম্নিং
জগৎ সংসার, লৈকংলা ওইরো;
চংনখিদা চোংথরে চবুং-চথাঙ,;
লৈমা য়েংলিঙৈ শুম্ন কারে।

মথংগী থৌরম্বৎ হায়হৈদে শোলহৈদেঃ
হৌজিক করি খংদবা তাইবঙ
করি খংদে, থোকউ থোকউ থেংবনি,
হৌখিবা ঙাদো, চাউইদা শাংঙিদা।

চক্ষু কায়রে, ক্বাক চরোই চোংলে,
ময়াংতোন, মৈতৈ-ন্তিলহৌ, কোৎতরে তংদরেঃ
য়ুম্বীরেন শুমচারে, নবা নাহেরে
নাহোং তৎলে, অঙাং-নবা তাল্লে।

(— ———— -)

অনিশুবা শরুক

মাতৃ প্রেম

মদন-মুহন, মুকুন্দো, মুরারি গোপীনাথ
ভক্তি কৎচরি, প্রেম-আসন্দা লেংশিনবীয়ু।
অশোক মহারাজ অকবর নিংথৌরোল কয়ানা
মিংচৎ উরোং খিল্লঙ্গী পোকনফম লমদমদা

হরি ভক্তি লৈবা মাপারি কয়ানা
মালেম থক্তা, মালেম মালেম শৈথাজবা।
ভক্তা কয়ানা মৈরানবীগুম্না থবাই-কৎচরি;
ভক্তাশিংগী ইচেন্দা, তাউজগে হে-রাম।

বাবর, অকবর হুমায়ুন অমরনি;
হুমলি মনম মালেম লৈকোইনুংদা।
কস্তুরি চন্দনগুম তইংলি
ইদকী-চান্দগুম তনৌ তনৌরি।

মহম্মদ ঘোরিনা দুর্যোধন শাইওনবা
কুতোব উদ্দিনা কর্ণ ডাটা ওইরিবা,
অলেকজেন্দরনা ধৃতরাষ্ট্রা শারোলিবা
পুরুনা পান্দোবকী ভীষ্মাবা।

অনিশুবা শরুক

জয়শিংহনা অভীমন্যু শায়েনবা
মজাতীগী মথবায় খুবাওবা হাপওম্বা
কন্নবা ঘোরিগী কুৎনিভি লোয়শিন্নবা

ইরান, ইরাকী ইচেন ইরোমংদা
হিন্দুকুস চীংজাও তম্বা চংজরকই
বাখল মঙা তরা খন্না তপন তপনা
অর্য্যনা অর্জুন ওইনা লানদারকই

মৈ ঈশিং মুশিংনা য়ুক্ম ওইর
ঙমাং খেল্লোংদা শকমাই ওইবা
মাপু মাগী খুয়াদা লখোকচরি।

অনিশুবা শরুক

কহামাং খুজাই

কলায় ঐগী, কাংখা লিক্লী
করিগুম্বদা ভৌবনি, করিগুম্বদা ঙাংবনি।
খক্লগা পেঙ্লেদো; মুংঙাইবনি খঙ্লেদো;
ইথক্তা হুয়ানি, ইথক্তা মিনমনি।

চিঙলি-চুপলি ক্ষুমিন-তুমিন কোইকপ-কোইকপ;
নত্তবা কয়া ভৌরি, নত্তবা কয়া ঙাংলি;
মীনা ভৌনৈ ভৌরি, হায়নৈ হায়রি;
তংবদা তংত্তোরে, শাইবদা শাইদবক্লে ;

অপং-মাপান খোক্লে তুরোই ঙারোইরে;
সান-মহি; ঙাওরে, মপান খোক্তোরে।
অনম-আহা চুরে, মীত্তোপ হরাউরে;
মৈতৈ-পুম্বা তুরোই ঙামলোয়রে।

মীত্তোপ পানগে, জগোয় শারগে;
রাস-লিলা কংকে, সোকা শংগে
মোইরাংপ'বগী চাওবা খোংলেচি,
কংলুপতি হুবৈ'খলগী সনা উলবাকি!

অনিঙবা শরক

কোরন্থু, কাইভন্থু থবক কংবনি
পলানিং হৈবনি, প্রোপ প্রোপ ত্থুবনি।
ধর্ম্ম লৈতবনি ঙাকলৌ লৈবনি
গোবীনদবু গো গো লাউহনবনি।

(+ + + + +)

কবি-শাবা

লাইনিং লমথৈ, মুংশি লাংনি
রাজ-নিতি, কলক মিহৌ লম্বীনি;
মান্নদে মান্নদে য়োংনা তিন্থোক পায়বনি
কোৎপনি কোৎপনি য়োংনা ঙারি।

স্বামী-মুনিবু, প্রজানি নিংজ্রবা;।
ত্রিশুল-পায়হনা, চেবাংদা খোংলিবা;
মহাদেব শাহনা, দুর্গাবু নিংলবা
বনদম্বা তোংলগা কবি শারিবা।

ধর্ম্মগী-মিংথৈদা কলাদা কালি তৈরিবা
অঙৌ-অঙ্গাক, রঙ্গ-রিরঙ্গ কয়ানি
শংখরবা, মচু কোকঙমদবনি
ধর্ম্মনা জগৎ-শেম্বনি অধর্ম্মনা নরকনি।

অনিঙবা শরুক

মহাভারত, রারী লাইরিক,বারক-তায়ান অচুম্বনি;
রামায়ন, রতনা করম্না লব-কুশ নিংথিজৈদো
বাত-পা দবা থম্বা-থোইবী শৈরেংনি।
শায়োল্লি কলিগুম, কাল কুত্রনি।

রাবন-রাজ সভাদা পণ্ডিতনা লৈতংখি
ময়া-মরিচকা লোনম লাংদা মাংখি-তাকখি
পণ্ডিত বাভাসন, রানী মন্দোদোরানা থংখীদো
সনা লঙ্কা য়েকরবা রানদগী কনথাদো।

অথুম্বা য়াম্না চামল্লবস্থ তিল হৌবনি
কবিগী কবিতা রাখল লোকোন্নি
ইথিং রদি শুম চাদবনি
ফাদোক্লা ফরেশা চেকশিনা চেকয়ুম শা।

থম্মোয় প্রেমগী ইহুল হুন্দ্রবা
কবি কনাগী কলম্না মরোনিগবা
মুর্তি ওইনা লেপলোই অমুক
প্রেমতনা জীব-শক্তি হাপওম্বনি।

(—+—+—+)

অনিগুবা শরুক

পলেম লমন

পংলগন্থ নহা-পাখঙ, পাংলো পলেমগী;
পেলহল্লো পল্লৌগী পন্থং য়ৌনবা;
পনথৌদি পলেমগী লমন তোল্লি;
পাখং-নহা শিংলারো পলেমগী লমম।

পলেমগী থাম্মোয়-লুংদা খুমরে;
নত্তবা ধর্ম মৈনম তেন !
শল্লোক্লো পারি, পলেমগী চৈনা;
লুংশি ইরিক্লা পলেম সেবানি।

কৃষ্ণ কনানো " অচুম্বা " ঙাকলৌনি
রাধা কনানো " চুংশি " শক্তমনি
গৌর কনানো তাহানবা তমকানি
পাখংসা কনানো, পুম্নমক খংনা উবনি

মঙাং, লুবাং খুমন তাকপী ওথনি
ইপু খোংনাং থাঙোল-লুখোই ঙুকনি
ঙুকশিং ম্যারৌ থাপাউ শিম হিদাংকনি।
থকলসি শিম চৌদাক শীংলমী লমন

অনিগুবা শৰ্ম্মা

চুনদ্রবা চংনবী

মতমগা চুনদ্রা চংনবী
মীশিং য়ামদ্রিবৈ চংনবী;
চায়ামবা খুঙ্গাংনবা কমজাংনবা
অপং-মরল, অশিংবনা চাজবা
মিথা-পোল্লিবৈ, লৈয়েং ফাইরিবৈ।

অগুয়া নমদুনা, চংহনবা রাজনিতিনি;
ধর্ম্ম-নিতি নত্তে, রাজনিতি নমহনবনি;
ঙসি লৈখা তাবা ধর্ম্মনিতি কায়বনি;
রাম-রাজ্য-নত্তে রাক্ষশ রাজনি;
লেদুনা কাবা ভোৎ, অধর্ম্মা।

মালেম্বু হুলানবদি ঈশ্বরগী মিংথৈদা;
মালেম্ব, চংনবীদা কাংঙৌ ঙৌবীমু,
মালেম্ব মৈনুংদা লংশিনবনি অফ শাবা
মালেম্ব করি অদুক বারৌবা
মাথা পোলিবৈ নদ মুনি ও

চংনবী তেরা মপাল শারে,
লুহাং-পালা শোরাং-হুংলাং ফুমনোমলে,
পালাগী য়ামাহ, ভেসপা, কোনদরে
ফাংনবগী ফাংনবা হায়দোক হায়জিল
বামোন কোনদরে উসব-মেলা তেংবাংবীমু।

অনিথবা শরুক

ঐদি বামোন শাবা ঙমজরোই ইকাইজৈ,
মীরোললনা শৈহেকচবা ঙমজরোই প্রেম পোক্কে
কপনবা থুগৎপদা নোক্লিংঙকই খাংবদা বাই
অদোম্না পেবা উন্না নোক্লিংঙকই থিক থিক
ঐগী ইতৌ উরগা নিংঙমলোই।

(+ + + + +)

নম্নথাক লাইনিং

ঙসি ভারত লাইনিং
হৌদোং লম্বোইবনা শরি শোনগুম
উচি পুন্নমক উচিন নাচিন মাংদোরে।

কানদ্রুহাগী অমৃত শঙ্গোম
মন্থুপুবী লিললশিংনা কামশিল্লি
থরু, থরু রগা থোইন হেনা লাইকন্নরি।

ঙাকাবগী খোইদা থুরবা ঙাগুম
চিংখৎলা লৈরাইদা খপ খপ চোংলি
ঙারেং-চৈনা থুপলেং লেংলি।

কৈশাকলোন শৈরে
অনিগুবা শরুক

থরো মারো মৈমুংদা চোংলি
কারুম কারুম মকু ছরে
পুংতোয় তোয়রে তাঙ্গোই শুল্লে।

(——————)

চৈস্ত

চংনবিনা চপথায়রে শরু শয়াং;
শেংলে, শেগাক কায়রে য়াইফোরে;
মথক-মথা ওল্লে, খা-লাই খংদরে।

ঈগী নোংচুরে, মৈগী নুংশিংনেং
ওইবং-অসে, অৱা মৈশা লাংলে;
লংখাই শিরে, অর্ধাঙ্গা ওরে।

নকোঙ্গা লৈপাক্তা, মথোং শলংকাক,
লৈপাক নিংথৌ তাক্লনি উখি ভীষ্মা
অচুম্বা মশু মঙানা জয় ওইরনি।

হিন্দুনা, হিন্দু ওইদরে হিংচারে;
থাজবনা লাল্লে, অনম্বনা শুক শুরে,
ঈশ্বরগী মিংদা ফমলি ফমগেন।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিগুবা শরুক

চৈঙাক্লা ঙাকনি, নৌনা নৌথনি,
চৈশুনা চিংগনি (শুগনি) অনান লপী
অনৌবা কিজোন, অমতা ওইবা

~~~~~~~~~~~~~~

চাররোই থক্লরোই

কনাস্থু চাররোই কানি-ফোর
কনাস্থু থক্লরোই, অঙৌ-অরাক
ঙাক্লৌনা ঙাক্কনি ইনৌদা নৌথনি
কোরতাম্না কৌহল্লোই মাঙ্গংনা মাংহল্লোই
হেন গনি হিরেন হিয়াই ইরোইনংদা
চৈঙাক্লা ঙাক্কনি চৈরোংনা য়ৈথনি।

পুবা ঙাক্লা পুমলোয় লোয়রে:
পুক পুরে, লোনপুরে, লময়ৌরে।
কোক ঙাওরে লাইহৌ হৌরে লাইকংলে।
লাইথি ফাইরে, লাইতং ফারে, খুং য়ৌরে।
লাইতংদগী হেনকয়োই, লিখাইদদি লৈত্রেমনি।
চৈখেংপীদি চুম্মনি, মরিন হোদবনি।
~~~~~~~~~~~~~~

অনিশুবা শরুক

ঙাক্লশি ঙাকলৌনা, কোইদংলশি কোর
খংদবগী ঙাওবনি, চাকপনি মৈরিনা।
নত্তবা লোল- লাইনিং লাইশোন্নি
কোরতান্না কংনা কংকং কংকনি;
পুংদা মাইল কয়া চোংগনি
হোলি হোলাগী লাইবুং নত্তে

অহল লমন্না পিজব। ফোরনি
মফম মরাং খংদনা প্রেম চুপন্নি
হুংশিবদি হনি কাউরি ইরাংদা
কৃষ্ণ কনানো রাধা কানানো
ওইবনি লৌরি ময়ানি কাওরিদো
অরানবা চৎনরোন ফোরনি ফোরনি।

শাথেক অহুম

থরুগা চারগা, পেল উরগা ফংলোই "শান্তি"
ঙাইহাক্তা য়াইবা মৈফু কোনবদি পোকপনি
"অচুম্বা হুংশিবনা." ফংগনি, "শান্তি," ফংগনি শান্তি
অকবা সজ মাতৃ-প্রেম শান্তিনি, শান্তিনি।

অনিগুবা শরুক

মালেমদি শক্লোন অহুম পুবনি,
পুন্নমক মহাক্না শেম্নবনি ঐসু মাগীনি।
মীগী-পোৎসু ঐগীনি মিহৌবা অরানবনি।
মীগী মপোৎসু লুনা চান্না তৌগনি।

মাতৃ-প্রেম, স্বদেশ প্রেমতনা শান্তিনি,
শান্তি ফংলবা অরান খুভমনি,
নত্রবা বাখল, নিশানা ফংঙমদে "শান্ত"
হোম সোপনা অজা পুজানা ফংদবনি।

সিনেমা, ড্রামা, অকে-অনৌনা ফংলোই মহাকসু
কৃষ্ণ, নাম মন্ত্রনি
জগোয়-ঈশৈ কলা কয়ানা করেমন উদবনি
অচুম্বা, নুংশিবা; অপেনবা তৃভঙ্গ মুনিতিনি

(————)

অনিগুবা শরুক

তুয়েণ্টি প্রোগ্রাম

পলানিং পলানিং তুয়েন্তি পলান,
পলানিং পলানিং ফাইভ ইয়ার পলান;
পলানিং পলানিং থ্রি ইয়ার পলান
পলানিং পলানিং বান ইয়ার পলান।

তুরে তুয়েণ্টি পলানিং পলান
ফাইরে ফাইভ ইয়ার পলান
থ্রীরে থ্রী ইয়ার পলান;
বান্থরে বান ইয়ার পলান;
পলান্দী য়াংবনী অয়াং-লৈমানী
অয়াং লৈমাদি উচী কাইদোংনি,
উচী ধর্ম্ম, চোংহুনা চোংহুনা চাবনি,
উপান-রাপাল অঙাংমুবী উচীনা চিক্লী।

অচুম্বা উপান থাবীম্ব, থৌজান ইরিক্না,
লেংজ্রবা মুংশি-প্রেম খিকপীম্ব
হৌগনি মিনিং অমদা, চোংগনি মিংকুপ্তা,
রাজগনি মহৈ-মরোং পুংজাদা।

(+ + + + + +)

আনগুবা শরুক

লাইকোক থিংশি

য়াররোই হঙ্গর ট্রাইক হঙ্গর ট্রাইক;
চাক-থাক পিদরে, মন্দিরগী উকংলাই।
থানা গুপারি থিবিয়্, লাইয়াম কয়ানো।
চেংয়েনস্থু পিদা করম্না থক্কনি, চা, চিনি;
তলবস্থু পিদা করম্না সেবা।

ঙসিগী কংলৈদা লাইয়াম কয়ানো
উমংলাই কয়া, লাইফাও কয়ানো,
করি লাইনা খুাইদগী চাউবানো
মাইবা-মাইবী মাশিং কয়ানো।

মীউজ্জীয়মদা থম্বস্থু থীনফম লৈররোই
গোবীন্দ, মান্দোপস্থু, লাইমাংনি হায়রনি
পুরান পুয়া মাংখি পাইখিদগুম
কংলৈ-লাইয়াম লাইরৈবাক্ত তমথনি :

অনিশুবা শরুক

অঙাং-মহৈ

অঙাং, করি মহৈ তমগনবা;
তমহুনা লোয়খরে. গর্ভ-লুংদা,
মৈদা ইকপা অভিমন্যু গর্ভ-লুংদা;
আর্জুন-শুভদ্রা মপারি করি শোয়বা ;

মোংবা ইরান য়াইনা শিন্দমশংনি;
মামা-মপানা ওঝা গুরুনী;
কেতুকীনা কেতুকী মওইদো;
নাতোন চাবী বর্দীংসু, রানী-গুলাপ মওইদো।

তমলগা-তারাগা মালেম করমনা
অমর অমৃত থারী, লাইরীক্তা
লুংশী-করী, অচুম্বা করম্বা
অজর অমর, ধর্ম্ম লৈবা।

ধর্ম্ম-নীতীনা রাজনীতী মরোন্না মরোমি
ধর্ম্মনীতী চুমলবা মালেম য়াইফবনী
রাজনীতী চুমলবা মহৈ মরোং চুমনী
মহৈ-মশীং চাউখৎলবা, মালেম চাউখৎপনী।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিঙবা শরুক

" অঙাংদী নীংথাদা-থংই " হায়নৈদো
থারা নালা য়েংনরী ঙাইশেল থীনরী
শাফরবদী বুধী লৌশীং চাওখৎলী
রাশী গুন লৈরা ইকদা ফগনী।

পোং অতুগী জীব শক্তী কৃষ্ণনী কৃষ্ণনী
শক্তী অতুনা অপুনবা জগৎ ওইবনী
মহাক অতু কানানো থংজবা
অসী পুম্বা " মহৈনী মহৈ "

মৈতৈ নহারোন

হোৌগৎলো মৈতৈ, শাহোৌরে জগোই;
পলেমগী সেবা, তৌহোৌরনি পেম্মা;
শাথেক অহুমগী থুংশিবা শকমনি;
থুংশিরবা পঙ্কম স্বর্গী খোম্থাংনি।

ইংলবা-তপলবা মহাকী মায়থোঙনি,
কৃষ্ণ, কৃষ্ণ থুংশিবা কোলোয়নি
স্বর্গ-পাতাল, মর্ত্যগী শাথেকনি,
থুংশিবা, অচুম্বা শিনহৈবা শাথেকনি।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিগুবা শরুক

মালেম অসে পলেমগী শায়োল্লি
অশং-অমান কয়ানা স্না কিংগেনি,
লেংলি-লেংলিবা হানৌনা খোড়া চুরানি
মালেম মাত্তনা অচুম্বা শক্তমান ॥

প্রেমগী শৈজা শেমলশি মালেমদা
লৈমায়োন্দা পাল্লসি ইংনা তপনা
নুঙশি লখোঁদা অচুম্বা উরোং খিল্লশি
অপাম্বদি ফজবনি, নুংশিবদি অচুম্বনি ।

(++++++)

বোকুল পরেং

সন্ধ্যা আতি'গী মতমদা;
মালেম লৈকোয়-পুং অসিদা;
হরি,ধনিনা পুমনিল নিল্লি ।

কাংশিগী মথোন শরিকী নুংশিরবা খোঙেল
হৈনম লৈনম ধুপ-বর্তীগী গন্ধ।
মালেম, শিনরবা থুংলে মকম খুদিং ।

অনিশুবা শরুক

কৈশামথোংগী, থোংথাং মচিদা;
শংবানবা লাতোন্দ, বোকুল-পরেং অনিনা,
নপারি কনাদা, নামিবা গন্ধা পিগবা।

মুৎলিবা পোদোন মৈরাদা
পিরাং লাইজ ইহৌনা
নপারি কনাবু য়েংলিবা।

নচা ঐভোন্দা শিন্নবীয়ু বোকুল পরেংদো
ভক্তা থাওন ওনজগে প্রেম-ভক্তি শ্রদ্ধা
লৈহনবীয়ু নুংশি গন্ধা মতম পুম্বদা।

লৈজদেদো, লিকোন-খুজিং-শেনখায়
পম্বৌনা পিবা খুদৈশেন মখায়নি,
বোকুল পরেং, শিন্নবীরে। নচাদা।

চাজনিংদে গৌর-মিথায় শেংদবা;
হায়নৈদো গৌর-মিথাই মিশিনি;
কিজেদো তুমতুনা শিগদৌবা মৈতৈ

মৈতৈ মনিপুরী, করি খাকলমদা,
গৌরগী মিংদা চুপলি 'ঈ' গৌর মিথায়গুম,
মৈতৈ তুম্বা তারে, মনিপুর কদায়দা।

ঐগী লৈজবা মখায় চৎপিনি,
য়াম্মী য়ামদে শোনবীয়ু
পলেয়া শেনবীয় শেনবা হৈবী।

অনিগুবা শরুক

ঈশিং ঈচাউগী

অহাংবা লৈখিদরে, মালং আতিয়া মমখক্ত্রে,
হুমিং শিংবুম তরেংনি, গুমহাং হাংদরে নোং ও!
চহি তরেং খুনতাকপগুম, খা-লাই খংদরে।

নিংথোম থোংজাও, নোংপোক নোংচুপতা,
ইক্ষাল তুরেল কায়রে, ইমা ইমা কপনরে;
যনবা-যন্নাউ, অঙাং-মুবী লুপখরে তাউখরে।

মনিপুর লম্বীথোং পুমক, মাপান লমগা শমন্দরে,
চানিংঙাই শেংনিংঙাই লৈতরে কাংথোং চাইরে;
শেনজাও পায়বা মহাজন্না, পুক্কে শো লোনখরে।

অনানবা লম্বীদা কোক্তা ফরুচেং, নমদা নম্বো পো
খুংদা খুংচেং খুত্তা চৈগু য়াওদ চংলিবী;
পলেম নহাকপু মনিপুরী পুল্লেমলা।

নচাগী কোকথক্তা শিনরীরো নম্বো ফকচেত্তো
মফম কৈদা ফরুচেং নম্বো থাজোগে
পলেম্না পান্দা তারুপীয়ু সর্গ ম্রত অনিদা।

নিংঙমদরে শোল্লবী য়াঙ্গংবী ইমা
করিগী নিল্লী, কপল্লাক থক থরু
পাইমা লৌশিং লাক্লে শামু পাঙ্গল্লে।

পিন্নবিরো নচাদা নয়াগ্গং
চুম শোজাও হাংজরুরগে
শিংজরগে ইমাগী লমল

অনিশুবা শরুক

চনিং তাবীয়ু

ইবুংঙো ইবেম্মা অথোই-অহেন পুন্নমক
তিলাং খেদাবীয়ু, চনিং তাবীয়ু;
চীংঙ্-শামেনসু কুনওন য়েনিং চোংইবো
তাংজা-লিনসু অনোবা ফিজোল হোংইদো।
অথং-অহৈ তাইবং মীওইবা;
নাতোন-চাবী লৈরাংনা, রানী গুলাব শায়েল্লি,
ফৈজোন খোংদাই-খদাংচেং, অনোবা শুং-তাই;
ওইহনবীয়ু অনোবা ফজবা মালেম য়াওল
লৈথা-তাবা, অমম্বা চংপা চংনবী"
ঙশাই হাখিবা হৌজিক খংলবা মতম,
করি খংদনা চংনবী, হায়না হুন্না ঙাওরি,
মাইবী চংবদি তাইরেন-মশা কন্না কন্না কনবীযু।
বঙ্গ, ব্রিটিশ, চিকনখি মৈরা হৌনখি;
মনি মুখি, মনিপুরদা, পুযান মৈথাখি;
কোকলি লু, অশো-থামাগী চুরা মনিগুম
অর্জুনগী তেননি ঙসি মৈতৈনা লৈথা তাবা
খনজ্ঞরম্বা বার্থললোন পুন্না মমঞ্চে
লৈয়েং লৈতোল কার্টিনা চপখরে
চথাউ-মেংখরে, লৌরি-য়ুমকম মুনখরে
অশোথামাগী তেন্না উত্তারাগী গভরম্বুং নবাগুম।

অনিশুবা শরুক

চাক-ঙা, চাক-ঙা তুদৌরে

ঋারে জগৎ, নিক্রে মালেম,
রথকী চকা, ওল্লে থরো,
তংতৌরে, থৌরি, প্রেম্না তাজবা।

"চানবা লৈতে, তথেম্বাং,
নোম-নোম শগাইতোং,
সুমিন্নবা য়াংবনি, চামিন্নবা হাউবনি।

জগৎকী অরাবা থাডডনদরে, জগৎনাথ,
চন্দ্র-বদন রুহুনা উমখরে,
খংবীরি অরাবা খুক-খুদক কুন।

মচন-ইবেম্মা শুভদ্রা, দাওজী বলভদ্র,
মবুংঙোগী শেবা ফংজরি,
অরাবা শরুক য়াবীরি জগৎ কৈয়োনালগী।

যঞ্জেন-নহা-শ্রীকৃষ্ণ,
কালিন্দ্রি হুনা, কাহৎখরে অঙ্গ পুম্বা,
কানদ্রে হোংনজবা, নিংজবসু থুংজরে।

নন্দ-যশোদা, ব্রজ-পুম্বা, পুমোম্ম নোমলে,
মবুংঙোবু থিঙ্গরি, থরো-থরো ওল্লি,
প্রেমগী-লিচিংনা-অমতা-ওইজনিংই।

অনিগুবা শরুক

"গুরু"

তোল্লি, তোল্লি লাইর মপোক,
লৈতে হন্না হেংবদা তুং-মাং
নিংঙমদবা মৈনা চাক্লি একলবা।

লাকখি কেরৌ নোংমা,
ভক্তি-প্রেম নিজখি,
জগৎ ব্রহ্মাণ্ড তাকপিনবা।

রাজ-দণ্ড কিবনা
লোথুপ বাহৈ কাননা,
লৈতা-ফিজেৎ শুদ্রনি

"য়াদেদো লৈমা শিজা কানি
অতোন আতা চংফদে নামুংইদো
ইপাই-লৈতে ঐস্নু লাইরা মচানি।"

"নংগুম্না চংজরবনি দ্রূপদা নিংথোদা,
তাকপীরকখি " কদায়দগী অঙাংবা ব্রাহ্মণনো ?
অচাউরম্না মরুপনা মীরাইবী।

পিরাংগী 'শৈরেং' থম্মোয়না থংনখি।

লৈঙাকলেন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

খোংবী মরু লুক্লা মিত্তা পিরাং,
তাংজ লুক্লা লাইরা খাংপোকশংদা

দ্রোনগুরুগী মুংশি প্রেম্না থম্মোয় থুমখরে,
লৈখোমগী গুরু, থবায় হাপখরে
য়েকচরি রাখলগী তুরিনা মিৎম্না থম্বাল।

মিৎলু পিরাং ইহৌনা ভক্তি কৎচরি,
খাংইন্দরে ভক্তিদা মতেক ওইবা থম্মোয় কায়বা শুরদা
"করি পাম্মী নিংবা থুংজরো ননাক্তগী লেংলরোই।

হিক্লা হিক্লা কপচরি, নিংবা থুংবদা,
মপোক মহৈ য়াল্লে
মালেম সেবা ঙমগনি গুরু কৎপানি।

অহিং মিশেলখাং, চাবা মচেৎ,
নৈনখি ধর্ম্ম-শাস্ত্র লৈঙাকলোন,
খংলবদা পুম্নমক কৎখি থুবী মরোমদোম।

—০—

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিগুবা শরুক

চংনা শ্বর্গ কাবা

অচুম্ব লৈঙাক, ইন্দ্রারাজগী ইন্দ্রপুর;
চংন কাজরুই শ্বর্গ ডিং-ডোং ওফিস
অচুম্বদা তাকপীরর্কই হয়েং লাকউ হংচিং।

ফজৈদো জগোই শাবী পুংয়ৈবা ময়ামদো,
অচুম অচুম্বদা ঙাংনৈ, ঙারাংগী সিনেমা;
কাংঙৌ-শিংজু, শোরাং-মুংলাং খুদৈ-শেন।

মীওইবদি ইন্দ্রপুর য়োবা য়াদে,
অয়েকপা নক্লা য়েংবস্থ য়ারোই
চপ্রাশি, লাক্ক্রি, দোলাই-পাবা পাইরক্ক্রি।

চাউখরেদা শাংখরেদা অকি তুজুংনৈ;
মিংচিনবু লৈত্নুনা য়েংঙকপা ব্রাম্হনৈ,
চা-চুরুপ-বেড়ী জারদাদা রাংখংনৈ।

ইবুধৌ ব্রহ্মানা পিবীবা বরনিং
চহি কুমজা কয়া ওংলুরো
চাউইদা শাংডিদা ব্রহ্মা অগুম্বা।

অহানবা শরুক

য়াইবুং ফম্বা

করি খংদা নয়াম্বনি
হায়নৈ অঙাও অপংবনিং
ঐ তুমিন লৈবনি,
নঙাও, ইঙাউ য়াইবুংনি ।

ফনলোরাউ তানরগা থোক্কনিং
শরুদনা য়াই ফংগনি
অতোন অঙা শোগংপনি
নাপল বাতোন তেমথোক্কনি ।

হৈনদে গঙ-কানি অঙাওবা,
অঙাং-অচৌ য়াদবনি
ফিজুপ অহুম থোঙ্গাইনি
শ্বর সাধন য়াদা মৈহৌবনি ।

অচৌবা য়েরুম কোনবদি
কায়রবদি ফি মাংবনি
অউবা খুদিংমক ঈশ্বরনি
পুন্নমক মালেমদা তিনবনি
মালেম কনখনা শেখানি ।

অনিগুবা শরুক

ময়াম্বা নিংবা ভরত

হোরাম, ঐগী লাইবক অসি
ওদ্বোক্লা থিনা তমথরেদা,
মফম কৈদা লেংখ্রবনো;
ননাউ ঐঙোন্দা তাকপীরম্ম্‌;
ইমানদি ইবুংঙোদা লংজখ্রবস্থু,
ননাউবুদি মুংশিবীয়্‌ হো-রাম।

ইয়াম্বাগীদমক য়েক্লা তিংখং লৈতনবা,
ইহৈবুদি তমজবা চৎহরুবনি,
পাইমা লৌশিং থেনবি ইমানা,
মীরাগবনি ঐগী মনিবু,
থবাইনা থারবস্থু সিংহাসন্না কেমলবস্থু;
থাদোকচবা ঙমজরোই ইবুংঙোবু।

পাজদে রাজগাদি ময়ানি;
পিবিরম্মু পত্রকা ইবুংঙোমক্কি নিংজা,
মহুবা মিংচৎ-মাইথল হাংদোকপিরম্ম্‌,
করুবীয়্‌ কনা-নৈত্রবা ননাউনি,
নহাক্লা থবায়নি অযোধ্যাগী;
রঘু বংশ ফোংনবীয়্‌ রঘু-মনি।

অনিগুবা শরুক

মপী—লৈত্রবা মনাওনা কনাদা চংজনি
নংদি প্রেমগী কুণ্ডনি অমৃত চফু
অচুম্বগী শক্লোন থাজ কোট ঙানঙম্বা
নংগী নঙান্তনা জগৎ—পুম্বা উরিবা
হায়নৈদো শুর্জবংশগী শকহেনবা ইকুংঙো
অরান অহুই কয়াবু লৈখা তাহনবীবা

+ + + + +

শরু মচেৎ

করি, কোৎলিবা শরু মচেৎ,
ঐংঙোন্দগী নবা চাউদবা জপান ও !
ঐনা—করি খল্লি, খংদেদো,
খংদেদো নবা চাউদবা জপানি ও !

শোয়দনা হল্লকখিনি, খেহইরেন তাফমদাঃ
য়েংলখিনি, নখোয় পুম্বা কোনখিনিঃ
য়াদবগী লোত্তুনা লৈবনি, অহুম
মৈতৈ—লমদম লাইরৈপাক অসিদা ।

লৈঙাকলোন শৈরেং

অহনিগুবা শরুক

অচুম্বা নিতি নিয়ম পুন্থনা,
তপ্পা ইংনা পাইরকখিনি নোংমদি;
ঐগী থবাইনা খোইদাজ্রি,
পৃথিবী শান্তি ওইদ্রি।

বুধদেবনা পামজবা গৌতম-গৌরনা পেঙবা
করিমতা কাউজদে যীশু মাগী পস্থৌ,
ঐগী শরুদি ভুং-প্রেং চংদবনি
বোম-তোপকী লানফম য়াইদা

পুরকলগে সনা লৈপাক কংলৈ,
মৈতৈগী লৈপাক লৈতুম খরদং
ঐগী ইবুংঙো বুধদেবগী অঙ্গ মারজন ফংজগে;
মৈতৈ, জাপান শক্তা চুদা করি খেনদে।

নত্তবা ধর্ম্ম ওইদব চৎনবী চোংদোরে মৈতৈং
হৌদোং লম্বোইবা, ফিগ্রী চাগ্রী চোংদোরে,
লৈতে অতোপ্পা ধর্ম্ম জাপান্দা
পেঙ্গেদো হুংশিংবা অচুম্বা জাপান্দা

???????????

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

অরোইবা খোংচৎ

ঐনা হয়েং শিরগা
উংশু-য়াইশু লৌবীনু
শরূ-শয়াং কোংপীনু লাইবক্তগী
ইরাইবক্তা তমজরসনু অহুম
ঙসিনা অরোইবা পোম্বানি
ঐগী-কর্ম শ্রাদ্ধ ভক্তি।

ঐনা ফংজবা পাপ-পুন্য
পুন্নমক পুজরবনি লোয়না
লোংপীনু শরু-শয়াং
উংয়ায় ফিজং কাচিন্দা
মপোক লাংলোন খুদিং
মালেম সেবা ফংজগে।

ঈশৈ-নোংমাই মশোন খংদবা
লাইরিক লাইশু খংজদে
অরোই য়াহিপ্তা মাহাক্তবু লোয়নজগে
থম্মোয় কিশি কিজরি মাত্ "প্রেম"
মাগী লিলা ঙাক্তনি পুন্নমক
মীওইবনা হৈনা তুংইনজবনি।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিগুবা শরুক

খংদ উদবা মাগী থৌজাগ্নি
ননাইগী ননাইনি ঐহাক্তি
লাংলোন অসিদা পলেমগী অমৃত
খোমলাঃ লমন শিংঙমদরে
লাংলোন অমদা অমৃত পেন্না থরুগা
লমন শিংজগে মপোক মহৈ য়াঙ্গগে।

অহাংবা পোলাংগী অরোইবা খোংচত্তা
ধুম-ধাম পামজদে করিমতা
পুং-ঈশৈনা অচিকপগী লাইরেম্বীবু
মীকপ মীরাওখোন ফংহনবীনু
মপুগী খুয়াদা চংজবনি
প্রেমগী ঝুলি হুংদা

পম্বৌগী য়াইগোইনুংদা
রাম কৃষ্ণ ডরসন ফংজবনি
মপু মাতনা মাংসু তুংসু
পলেম পম্বৌগুম্না লোয়নরি
লংথবীনু লৌনম লাংদা
ফিগ্রী চাগ্রী চৎনবী

হরে কৃষ্ণ রাম রাম
পলেম পম্বৌ অনি লোয়নজগে

অনিশুবা শরুক

কনাগী কনহাই গোপাল,
থোকচাউ শিকি পামজদে
ঐবু লোয়বা লোইনাইদবা
হরে রাম হরে কৃষ্ণ।
অরেংনি লাইশোন ভিনশোন লাকচরোই
নুংপোরেগে থরায় সেবাদা।

অরানিগী মাজা পুজা ঙনজরোই
থৌরম থৌপা য়াম্মীদে।
ৱারৌবীন্দু লৈবাকনচা পুন্না
মালেম্বু কনবাগে অরাফমদাগী।

??????????

আইট সেদুল করম্বা

শুমাং থেল্লোংদা থেল্লিবা ইরাং
সংসকৃত, বেঙ্গলি ব্রজ ভাসা শক্রি
কংলি মপুগী চরন্দা।
অথেনপোং শেন্দোয় শেলেপা
থোজানবীদ্রি আইট সেতুল

লৈঙাকলেন শৈরে

অনিশুবা শরুক

করিগী কদায়দা মনিপুরী।

গোবীন্দ মাণ্ডব লৈকায় মসজিদ
কদায় মৈতৈলোন লাইশোন তিনশোন
শক্লি শোল্লি মীরোন্না।
হৌনা লোনচং কয়া তুমিন তুমিন
খংদ্রি ইমারোল হৈত্রি হৈনা
তুরোই ভারোই খোংথাংনি।

নুংশিরবা পঞ্চম শুরদা
শক্লি চোংলি ভাবকী দালান
কোরবাক খুত্তা পায়হনা।
চিঙ্গোয় পাউমেল্লি লৌনম লাইশোন
আইট স্যেতুলদি হায়রগা
বাজার বন্দ, নিশা বন্দ, করিলোন।

তাদিংদা হারি কৃষ্ণ শারি
তেংলি তেঙ্গোং নুদেঙ্গোং
লম্বাংদোং নুংদেঙ্গোং লুখ্মী।
মঙং নঙৌ পুক্লিং হুইদো
চন্নদবা লৈতবনি ইমারোল
ইমা-ইমা হায়না তেংথারি।

নৈঙাকলোন শৈরেং
অনিশুবা শরুক

করম্বা মতমদা, থম্মোয় মঙ্গিরদা
ইমারোল শৈহেক শৈদাজগবা ।
লিকোন খুজিং য়াওদনা ।
হৈনম লৈনমতনা নুংশি খুদোন ওইগবা
নুংশিবীরো ইমারোল শুরোন চারোনগী
লৈয়েং ফাইবীরনু নদেমতগী ।

+++

প্রেম ঝুলি

প্রেমগী ঝুলি য়াওজরে
শুরুনা পিনবা মালানি
অমাং অভা লৈতবনি ।

থম্মোয় লাইয়ুমদা লৈজবা
প্রেমগী মুক্তা পরেংনি
পিরাংগী লংলানা লেংজবা ।

মাতৃ প্রেমা লেংজবনি
তংলোই মপোক খুদিং
ঐগী থরাইনা থাদ্রিমখৈ ।

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিঙবা শরুক

পামজদে অশেমবা মালা খাউ
ফিমন চমন মালা খাউ
থরো মারো মালা খাউ ।

উপশিরা শাহিং তুপী
পামজদে অপাবা তুপী
কোকহৌদরে মংগী লু ।

তাইবং চেংঙ্গেন লোইবদা
খোয়াং লমন শিংডমদে
মংদা মংঙ্গা তাঙ্গরোই ।

সনাখোংনাং তরুবী-মনা ৈপচরি
উরি ঝারি পূম্নমক লুহুপনি
অসিদগী হেনবা তামা লৈজদে ।

মিৎয়েং তাবীরকউ পাক্না শন্না পন্থৌও
খাংজগে শান্তি-ঈপাক ইয়াইদা
য়েংজগেডোমদা । উশাঝাশা মরুমদা

তাইবং লিলা অঙকপনি
খনবীরি য়েনপাক অতিয়াদ

নৈঙাকলোন শৈরেং
অহানবা শরুক

হায়দোকপীরি অহাংবা মালংদা।

খুংশেনগী য়েনপাক তুপচরোই
য়াঙরে শাগিন লেংবানদা
য়েংজগে শকয়েং নিংশেনদা।।

ঐনা গৌখিবা অতু ভাক্তা
খুংশেনগী ঝুলি কৌপিন
ওংকদোরে লেংবান লেংমান্নবদা

ওকচরে ওলিমপীক ওল ইন্দিয়া
কীজরে কেনেদিয়া, কানাদা
ফংখরে সনাগী তকমান রুস-জাপান।

বাবুজীনা পামজবদি খুদৈ
পামজদে করপসন কান্থা
কুপশিনবীনু ফৈজুপ তুমদ্রি ভারত।

নৈলজরি খুদৈ মতেক
কোকলবনি লু কান্নদা তুপী
পালেম-পন্থৌ নিংজবা মপারিও।

খোন্থাং অনিতনি হরে কৃষ্ণ
রাহৈ অনিদংনি ঐগী ইপা।

নৈঙাকলোন শৈরেং
অনিগুবা শরক

মশোন অনিখক্তনি ইদকা চাঁন্দ

রামগী মনাই ইপু জমভূবাল
মরিংজেন মশিংখা লৈবা ইপুনি
লিকলম চুম্না চৎপা ইপুনি ।

XXX

"শরিশো"

শরিশো ঐদি জুব্বারিনি
ঙাওজরি নিশাগী ময়াইদা
উরু-উরু উংলি ইকোকসে ।

য়েংদবা ঙমজরোই মায়থোংদো
থক্তবা ঙমজরোই নিশাদো
উরগা তারগা পেঞ্জে নুং ঙাইজৈ ।

থরুগা খংজৈ অহাওবা মহাও
প্রেমদগী হেনবা লৈতে অমা
অচুম্বনি অচুম্বা অওইবনি শরিশো ।

অনিশুবা শরুক

"চানবা হৈনি সিবু হেনবা লৈতে
চিনদম্ব হৈনি তাইবং খোইদাবা"
থম্মোয় শান্তি অরান খুভম ।

হৈরাংখোয়দি হৈমুন হৈয়াই অমৃত
মপোক লাংওন খুদিং খোইথুম্বা
মরেক-মহাও থোইনা কারবা

ডাওরে প্রেমগী অমৃত ময়াইনা
থবাইনা পোম্বা ওইহুনা থিরি
মফম কনায়দা লোংলিবা নহাকপু ।

????????

দান দক্ষিনা

পীনবীয় নপারি অনি-
তেংবাংবীয় ঋষা-মুনি
তথা ইংনা বন্দ লৈজবা
তপু তৌজবা জগৎকা ।

লোয়নজগে মতম খরদং বন্দ

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিশুবা শরুক

মজা ইবুংঙো রাম লক্ষন
অসপরস মনিনি খংজেদো
পটিঙা পাবননি অনিমক,

অচুম্ববু তাকপীরদা ঋষীগী য়াথং
প্রজা—পতি দশরথ খাংঙমদে
রাহখি লৈমায়থক্তা পুঙমদনা
লাক্লবদা জ্ঞান শিনজখি অনিমক।

রাম লক্ষন লনবীখি ফত্রবশিং
ঙাকপীখি লাঙ্গাওদা মুনি ঋষী।
পিনবীখি ধর্ম্ম শাস্ত্র পুম্ব।
নিংশিংবীখি রাজনিতি রাম লক্ষমন্দা।

হরাদো লৈরাংদো

ঐ অঙাওবনি, অঙাওবা অমা
হরাদো লৈরাংদো, হরাদো লৈরংদো
তাদা ড্রাইভর, লৈরাংদো কদায়দা

অনিশুবা শরুক

শাংচদ্রিবা লৈরাংনি, কেলহনবীমু অরেম্বদা।
পোমশাংনরিবী লৈকা তমদ্রিবী মনিপুরীনি
নৈহংপীমু মীরোম্না তকখাইবীমু চংনবীনদা
শাংলগনি য়েল্লগানি মুংশিখা মনম হয়েংদি
লৈরাংগী লৈনমদা মালং ঈপোম হৌরনি।
খৌবিখিমু নতুবা লোনগী হিক্তোক্লবা চংনবী গাড়ী
মমল য়াম্লবা হিরা-মনিমুক্তা লিককাং পরেংসি
থোকউদা থোকপা তকায়াই খুদোপনি
করো-মোইরাংদা মনিং তমজবী থোইবীনি।
থাগী লৈবাক্তা থাবল্লেগুম শাংহনবীয়ু
মুমিংলৈগুম কোরৌ নোদোম্বক্তা ঙাহ্নলনবীয়ু
ইংঙেল্লেগুম ইংনা তপ্পা লৈহনবিয়ু
শাঙ্গারেগুম পাক্লা শন্না শাংহনবীয়ু।

সনা শঙ্গাই

গোলদন তেমপল অমিত্তর সহরনি
সম্না লৈবাক মনিপুর ইমানি,
সম্না কোনয়াই লিক্লাং-পরেং কয়ানা

মৈতৈলোন শৈরেং

অনিতবা শরুক

ঈশ্বর [illegible] গোলমৈঙনি।

কোতি [illegible] গোলমৈঙনা
কংলি খোঙ্গি [illegible]
[illegible] [illegible] ইন্দ্রগা
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
শিবগী [illegible] [illegible] [illegible] খোঙ্গি।

[illegible] [illegible] শিরাংনরি
কোম্ব কইবতা কাই ভারি
মন্দির সেবা থনহুজন্ ব্রেম্ম মেডলনি।
শিনলে শিলভম্ন মেডল শিব পুজাদা
কুম্ব কাংদে কুমভ মেলা কুম্ভে।

কদায় চংখরে ভীমসেন বোকস্থর
যুধিষ্ঠির খুংগুদি অদা ফাওইদো
লক্ষ্য ককপা ক[illegible]শখা
মচিন মনাও মঙা করায়দা
মনা মথুম অমতা পাথোক্তে।

শারগুমশি ইন্দ্রগী জগোই
মংলগুমশি মংগী স্বর্গ

মৈতাকলোন শৈরেং
খনিত্তবা শকক

মংক্লাওবাশি য়াওরশি ওলেমশিক
সনাগী-চিক্লাং মনিমুক্তা কংলশি
ইমা ভারত য়াঙ্গংলবী ইমানি।

মৌবাৎ-মুংলাক ওলৈমশিক্তা উংকক্তা
লুখোং লিলা ওলেমশিক্তা উংশিন্না
মৈত্রী মুংগা মৈহৌবী তামশিন্না
থাবল চোংশিরা কাং শানশিরা

কনবীয়ু মৈতৈ ভারত

কনবীয়ু মৈতৈ ইনা ভারত,
মালেমদা ঙালহনশি মৈতৈ ভারত
কনানা-কনা নত্তে অমতমি,
খংদবগী-মালেম্মু মীরাইবনি কুঞ্চনি।
পুম্নমক মহাক্কী শ্রীচরনদা লুপচবনি,
ময়াগী লাংদা কুপখিবনি পুম্নমক,
অয়োং নাহেবনি চারাম চদংনবনি,
অমৃত চুপকনি মুংশি পরৈননি।

অনিগুবা শরূক

বকৈকুন্থ ইউ, এন, ও, নি,
প্রসিদেন্ট শৈজাদা শ্রীনরান ঙাম্বোয়থি,
জগৎকী মেম্বর কয়ানা থুরুমজরি,
শান্তিগীদমক মুংশি পাউজেল য়েনবীরি।

++++

ইপোম

ঈহোরে ঈখেংলে ঈনিংথোগী ইপোম ঈশৈ
অহুঙৈগী মুপা-পালা মুপী-পালা খুবাক ইশৈ,
হৌজিক হোরেন সংকৃর্তন সংকৃর্তন
ইপোমমি ইপোমনি খুলং ইশৈনি।

খুঙংদা চিক্লা-ইংনা হুমজবা ইপোম,
চিংয়া-তময়াদা তপ্না-ইংনা শাংচবা লৈরাং
সংকৃর্তন্না তৈশিল্লে, তেমথরে পুন্নমক
থম্মোয় থুমদোরে থরায় থাদোরে।

ইপোমগী মৈরি চুখৎপীরো প্রেমনা
অওইববু ত্যাবা ঊবা মুংগী পরৈনি

অনিগুবা শরুক

ইকায়-খাং নোক্লি, চুম্মী উং চুম্মী উং
করি-মুংগী পাঞ্জরুবা মুপা কত্তবা।

চেং পুরগা চেংশিং
ফৌ পুরগা ফৌশিং হায়নৈদো
মৈতৈনা বামোন থাজদরে
চিংমীনা তম্মী লায়থোক্লে করম্নো।

XXX

"নিঙোল চাকৌবা"

ইমা ইমা মামোবু কৌবীয়ু
বাজরবা ইমাগী য়াইফনবা
অঙম্বা শক্তি শিজিন্নবনি।

নিঙোল শরুগী ইনা-ও
নবুং-নৌপরা নাওকোনবীয়ু
লৈজবা ভক্তি প্রেম কংপীয়ু।

প্রেমগী অথেনপোং- পীঙম্বা

লৈঙাকলেন শৈরে

অনিগুবা শরুক

লৌশিং চাউবা নবুং নৌপবানি
হুইয়েন লাল্লোং অথৌবা।

মচন মচেদা নিংতম ফিরান পিভম্বা
ঐগীসু প্রেমগী পাঁসতোন পুবিরক্কনি
তাকপীগনি খুংকাপ তেনকাপ।

পলেম উতাংবী উরিলৈগুম্বী
কেজ-নৌজবনা লৈতেংতনা তাংজবী
ইমাগী কবচ ফুরিং য়াওরক্কনী।

কবচ ফুরিং লাইওক তীনওকলোই
সনা লুপা শুমওই ফুরিংনী
মাতৃ প্রেম লিক্রু কুদামনী।

মালেম নিংবা নীংঙোল্লী ইমাদি
নবুং নৌপবা চিকোন নাওকোনবীসু
চংনরোল থুগায়বীনু অহুৈগী "অহুম্বা"

বাংলবা রাখল্লোন নিংঙোলনা চাকোবা
কৃষ্ণ দর্পন ফংঙম্বা নিংঙোলগী "পুজা।"
ফংহনবীরু অহুৈঙী চংনরোল ফজবা.।

অনিশুবা শরুক

অর্জ্জুন লৈত্রিবৈ দ্রোনগী চক্রব্যেহ লালজং
পান্দব তেঙ্গাল নৈখাইবা আভীমন্যু লোশিনবগুম
মৈতৈ লৈবাক মাংবা তারে করমনো।

পাপকী ফিজেৎ লৈতেং খোইদারি
খোইবু চোপলি লোনম তুকান্দার
তুঙ্গোল থন্না নমলী শারোই শুমহাই।

কৈরাকপী মচা শাংবীতোন
থেক্না থেক নৌগা, নৌ
তুরোই! শারোই তুদৌরে।

শারোই শবান শাচিং খপচোংবী
রিক্সোদগী ওন্থরে, অক্তোনা ওকলে
"তামো, ইসে ভরাদী কোন্না"

য়াদেদো মচল-মচে লৈজেদা
য়েৌদবা য়াদে লাইরা খাংপোক্তা
পিগনি প্রেম ভক্তি মুংশি পীরাং।

লাকনি নম্মোম কপপিরম্ন ইমা
মিপাই চাওবী লায়রবী—ও

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিশুবা শরুক

ইরাং পুজা থৌরম থৌদা ফংবীয়ু।

লৈশি লৈথোন হৈবীনি
ভক্তি প্রেম চংখোনবীনি
পিবাবু পীবুকনুংদা নাউকোনবীয়ু।

ভস্মী মতাংগুম লাইরবী মচন মচেবু
শরক য়াংবী থক্তা লৈত-লাইর ফোংবা
অতৈ কনা লৈবাক্তা চৎনদেদো।

শামান ইমাম্না লৈবাক্তা লৈদো চৎনবী
ব্রাক্ষি বন্ধ পৃথি শিনবা থুংনা তুজুংনৈ
ভগর্নী ভুজোন ভক্তি প্রেমনী।

নিংঙোম্না চাকৌবদি মাত, প্রেমনি
দেশ-ভক্ত ইরাং-পুজা তৌজবনি
কৃষ্ণ দর্শন ফংজবনি চংনা স'গ কাবনি।

তারোন লৈবাক মিকিথি মিতম্বাল
পাঙ্গল শোনবীশিংবু লারুবনি লারুবা
মথুং মকাংলোন মামান্নবা পাঙক্দা।

অনিশুবা শশুক

শেনজাং পাইবগী শেনগাউ চোন্নবা
লাইরবা মচন মচেবু মৈনুংদা লংশিনবগী
অৱাবা পীরাং মালেমদা তাহনবীন্থ।

লৈজরম্মী মৈৈ ইনাং অতুংগ
নিঙোলনা মবুংবু ইরাং থৌনিজব।
লাইশেন তেনশোন্নৈ মকু মনাক পুন্না'

মাতুল পুজাদি মহে চাউইদো
মপারিদি মাম্মনী মবুং মৌপৱা
নপারীগী খন্দুনা নবুং নৌপৱা কৌবীয়

পিবানা নিঙোল চাকৌবা
X.Y.Z ফোমলা পানবদা
চংনরোল শুকপা তাদে।

নিঙোলনা পিবাবু চাকৌজবদি
মাতৃ প্রেম্মী মন্দির সেবানী
মহাভারতকী ৱারী লাইরিক্তা য়াওরি।

পঞ্চাল লৈবাক্তা দ্রৌপতি সয়ম্বরদা
ব্রাহ্মন লাইরবগী খাংপোকশংদা

লৈঙাকলেন শৈরে

অনিশুবা শরুক

অনৌবী দ্রৌপদিগী মখুৎপু হাখিদো

মনেম ওইবী কুন্তীনা চেং থোইদিংনা
ময়া ওইবা নরা কৃষ্ণবু পুজা কৎচরি
নিংঙোল ওইবীনা ময়াবু নিংজরি।

কৃষ্ণনা লাইবার লেংঙকপা
লাইরবী কুন্তিগী খাংপোকশংদা
দর্শন পিনবীখি হৈগ্রদ কাংহু হাবীখি।

হৌজিকশু নীঙোল লৈশা কয়ানা
চংজফম লৈত্রবা নহারোল কয়াগী
ভক্তি প্রেমনা লংলা লংজিন কাংজরী

নিঙোলবু চাক্কৌবা শগোল তোংবা থিনেংপা
ইরোই তোংবা লুরাউবা করমনো মৈতৈ
লাইশু খংদরে লাইখাই তাদরে মৈতৈ।

মমান্নবা লৈপাক মচাশিংগী চংনরোন্দগী
তোখায় তানিংবা অথং অহৈ শাবনি
কনাবু কৌবনো করি কংপনো খংদা।

লৈঙাকলোন শৈরেং
অনিশুবা শগুক

অহুই ফেল্লা ফোম্না বৃটিশনা ইরাই লায়না
ঙায়োক চফুদগী ঙা ফাবগুম ফাখি
লৈজরবা অকল-অথৌ কংকৎ কৎখি ।

মাতু প্রেম্না থাংলোন ওইনা য়োম্বা
প্রেম ধারান দক্ষিনা ওইরা
নিংঙনশিন্দা শিন্নবদি শিন্দা য়াইনি ।

XXX

গুরু ভক্তি

লমফাংলবা তাইবং ঈপাক্তা
লম্মুকনরে ওঝা ননাইদি
খুদাং পায়তুনা অমুক্তংগা
লরাই লেমফুদা কামন্বীয়ু ।

করপসন ভোং কারন তুরন
কমলাক নিক্লে থুং পাইবীয়ু

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিশুবা শরুক

ডিথ্রিস্থ য়াওজদে উপথুদোরে উবক্লা
হৌগৎপা ঙমলোয় হোরেন হায়েং ।

ওঝা ননাইনা তুঙবদি লোয়রেদো
মীহাৎপনি হায়খিনি মীহাৎপা ওব্রু
মখোয়দি মখোয়না খোকপা অমা
ইপু ইনাইদি মালেম কলহৌশি ।

কংলানা বংলবস্থ নৈহৌনি ওঝা
উচান মৈরিনা মৈরা চুরি
লুহোং সোরাং পোরোক সোল
নাহুং-নারেং মৈতৈ নাহুরে ।

ভোং লেপলি নজ্জ লিংলি
পোৎয়েং খোমলি শেন্দোয় চারি
য়াংখৈ পোৎয়েং শেন্দোয় চামা
চাম্মা লাম্বোক বাকি শিকী চনি-চনি ।

খোই থারি মৈতৈ থুনবা
ঙারেং-চৈনা লেংলি মৈতৈ-ঙম্মু
কারুম কারুম লুকং ঙাক্তা
মথিবোং মশিঙ্গা য়াওদরে মৈতৈ-ঙম্মু ।

অনিশুবা শরুক

খোংরুকলাই চুরে মবুক কংলে
পভৈারে শেগাক চেংলে মৈতৈ
পুমশিন হোৌরে মকোয় চোমলে
চাইরুং তারে লাইবক তোংলে ।

মৈতৈ হংগী লাইনি লাই
লিলা কলা অঙাও অফে
মৈতৈদি পকচৈ অঙাও শাবদা
মেকপ তৌব শৈহেক শৈদাঙাক্তা
???????

বোল

ঐবু কাউবীগনু, কাউবীনু, কাউবীনু:
নখোয়না কাংবদা রারেদা রারেদা ।
ঐবু কাংবদা শিগনি-নাগনি কাউরা ।
ঐবু অতুক নুংশিদব করিগীনো ?

নখোয়গী, থম্মোয়-লাংদা, কাংশিনবা:
চুম্মী-চুমদে রায়েন শারিবা ।
চৈথেং-চৈনাদা থরায় থাদৌরে:
ইচা-ঙাক্তা ওইবনা খাংইদো ।

অনিস্থবা শরুক

ঐবু নুনা-চান্না তৌই তাকপরা ?
পানজন অমা পজেং ফিরাল ।
ঐগুম্না শান্তি এইয়ু নুংশিনৌ ?
নচিন-ননাও ঙাক্তনি পুয়মক ।

চুম্না কাউ ইঙাও-ঙাওগন্নু
মখোং-কাউনন্নু ঐঙোন্দা কাউজৌ
চুন্নদা কাউজৌ কায়রবস্থু কাব্রগে
মালেম অসে প্রেমরী বিন্দুনি ।

কুমনোম্বা

কুম কাংদে কুম্মৈনা মরি-মরি
কুইররোই হোরিবোল লাউগদৌবা ভারত ।
হোরি হোরি বোলো ভুগিনা সাইরনোংজা
নোংমা নোংমা ছৌখিবনা নোং কাংলে ।

ফিপটিন অগই কৃষ্ণজনম্মা থাংমু নাংমুন
থৌরানিজরম্মা বামেশজরম্ম হৈক্রুং হিদোংবা ।

থাঙ্গা লাকপী লাকপা কুমওন পালোন
অংঙাপোক অমুপোক শলাইগী শলাই ।
কুমগী কুম্ম থুরে হীকং থুরে কুম্মৈনা
অহুঙৈ রোমগী লৈবাক্তা ত্রোয়না তোয়হনবা
গান্ধি জয়ন্তি দুর্গাপুজা মথং মথং
জিবণিতা গৌবর্ধন পুজা নিংতোল চাকৌবা চঙংনৈ ।

অনিগুবা শরুক

হিক্তোংবা কয়া ম্লাওরি অপং প্রক্সাদা
নপা নাংনি নপুনাংনি চোংলো খেরো।
হেঙোরো হায়না হুম্না জংগোয় শায়ো
তোয় তোয় করি কুম্মৈ ৱাংলি চিংথরি।

পুংজা খুদিং নিকুপ খুদিং পুজানৈ,
ঙসিদি করি লাইগী মপোক্রো ?
থাবা লোইবা নাইবা পোং নংভে
পেনা শকপগী ধনকানি চোংবগা ফনবগা।
চীত্রঙ্গাদা, চন্দরেখা উলুপী কয়া উংলি
আর্জুন মুংঙু কম্বাই-মুংহাই কংহাই চামোর হুমলি।

হংনিংঙাই রাহং লৈরোই অদোন
হংলক্‌নু ঙসি হংলাই মুমিংনি।
ৱাফকপা ধায়ুংবা হরিউঠান হঙ্গেরা
উজার মেল কাংখো মেলানি নেসানি।
করি করম লিকলম থিদে।
ফনৈন্নৈ-নান্নৈ মাথোংমরম থংদে।

হীক্র মার হীকমা শিক্সরি
ফরি হোত্তনা হকাম চন্নরি।
চাকৌকৈথল চৈরাওকৈথল কনদৌই
থেন্দৌরি শেনজাও পায়বগী খায়াত্তা।

অনিশুবা শরুক

কুশ্মৈদা কমলাক মরি ভত্তোরি
বুরু তাদোরি নহাওইনা ৎবাম্বি ৎবাস ।

কুশ্ম কিয়োন কয়ানা কুম নোমলি
তৌশবা কয়ানা চোপখারি রাশাং পায়হুনা
সমপ্রোদায় শেংলা কাংলুপ খায়নরি
চাক য়েনশাং পুখম তেঙ্গোৎ লংনরি ।

শ্রীদি ঙসি উসোব মেলা কংঙমদে
ইচল ইচে-ইনে-ইন্দোন চাকখাংদে ।
পোকপগী মহৈ য়ান্দ জীবনি জীবনি

ঙংলিবা পেরিবা অসিনা শ্রীগী পেঙ্গবনি ।
কুম কাংলোই ভারত চাহোং ঙাহোংনি ।
থম্মোয় লাইয়ুমদা খোইরু থউমৈ থানবীয়।

নরলোক

কনা কনা লৈগে লৈকায় সিবু
করি করি পামগে তাকুদোবা তাকপিরো
পৃথিবী মপু ওইবা পামদ্রা অদোমবু
মারুটি জিপ কার করি কমদোবা ।

অনিস্ুবা শরুক

ঐদি পুন্নমক শরুক ফুংদৌরে শরুক থাবিরো
অসিদগী হেনবা কয়া অমা লৈরিদো অঙকপা।
পৃথিবীসু পামজদরে তন্নালাই মক্তা মঙায়রে
টাটা-মুংদা কিজে "তপতা" থারিদো।

ঐদি গোলোক কাগমি সুর্যলোক চংকনি
জগাই শাবী ময়াম মরক্তা হীকপু কায়হল্লি।
সুর্যলোক্তা অমুন চাক-ইনশাং চারুগে
শকহেনবী কয়া কোইরপ কোয়ন ফমহনগে।

অমনা অমুক ইন অমনা অসুক পম
মথং মথং মনিং থুংনবা ইনহনগে পুন্নমক।
অচান মীরাই নাইজরোই থারৌখিনি পুন্নমক
"মহাক্তী" য়াকা মতুং ইনবনি পুন্নমক।

লোক কয়া লৈরি ফংঙমদ্রবা মীওইবনা
অমা ফংবদা পেল্লবা নরলোক অমা।
ব্রহ্মা লোক, নরলোক শান্তি, শান্তি
অসিদগী হেনবা লৈতরে লোক অমা।

মীপুম থুদিং থুনগদৌবা ভায়নরি।
মহ পুরুম কয়া মহাপ্রসাদি ফংনরি।

অনিশুবা শরুক

থাদোকপীবু ইমা

ইমা, ইমা ঐবু চৎলো অতুদা হায়বীমু
নংবু থাদোক্লা বনাদা ইমা কৌরুনি

করিগী ঐবু অতুক ৱারৌরি নচা নতবয়া
লানখিবা য়াওরসু কয়ারক ঙাকপিয়ু।
ইমা নংঙোন্দা নাউথি শাদনা কনাদা
কৌরুরবসু থুমলক্লোই নিংঙাইগু তাবীরোই।

চৎচনিংদে মফম কৈদা নংলৈতা লমদা
নংনা চানবীদ্রবদি পম্থৌনা করি উপায়।
পাম্থৌনা পুম্নমক নংঙোন্দা শিনবীবনি
মহাক্কি চাওচৎনি শামুক ঙাম্বুকনি।

মহাক্লা ঐবু ৱারৌপ্রবদি ঐদি মাংজরে
ইমা ঐবু নথান্নুংদা কোনশিনবীয়ু অতুম।
অতোপ্পা করি লমদম পামজদে
নংগুনা লৈবা মফম সর্গনি।

অতৈ মফমদি নরকনি নরকনি
করি ইরাম্না অগুক চানবীদবা
লংজখিবা পুম্নমক ঙাকপীয়ু ইমা ইমা
করি খংদা চংজখিবা ৱারৌবীমু।

লৈঙাকলোল শৈরেং
অনিগুবা শরুক

ঙাকচাও থেকলুবা ইরাননি ইরাননি
মতিক নত্তনা মঙ্গ তাল্লুবা ইরাননি
প্রম্নমক অসি খল্লু-খল্লু নিংঙমদে
ইমাগী লমন্নদি মপোক খুদিং শিংঙমল্লোই

"নহানা মাইবা শাবা"

পংলবা করি নঙক নরু পৈরি।
নরেং ফল্লি নংমঙায়রে থোয়রি
পলেম পম্থৌদি চাবা মচেং তুম্বা মচেংনরি।

খংদ্রিদো নহানা মাইবা শাবা মঙথল্লি
করি তাদ্রি চৎনরোল অহল য়াপাউ
লেংফত্রবা শোয়ফত্রবা পোরম পোম্থানি।

হৈমন শিংমল পশিং থোক্লি তুংগী য়েংদরে
তৎলশন্নু মতাগুম পয়া-পরৈ লৈরি
করি থোক্লে পুংতৎ খা কায়রে।

খল্লে খন মান্নদে মীনে মীমান্নদে মতাগুম
পংচৎ-চৎ পংচা-চা তুরোই ঙারোইনি
খুলৌ পাম্ভি লৈবনি হোৎনু হুংউ।

থোইবা থা থবানমিচাক অরেমদে
তুমিন তুমিন নংগী খোংথাং য়েংলি
ফদায়দা পুশিরা কদোমদা থাশিরা।

অনিগুবা শরুক

মীরাইবীরা কবী অমা

য়েলহৌংদগী প্রকৃতিনা পিকথম্না থম্বীরক্লি
রাস্তা পাদা হিন্দুস্থান ইমা লৈবাক্লি।

চহি লিশিং লিশিং কয়াদগী হীরামনিযুক্তনা ঙালক্লি
মনি মুক্তা কয়াবু খোমগে পেকে ঙাকুনি।

মপাল লমগী ইচিন ইনাওশিংনা কলকলম্মী
তোয়না তোয়না লান্দাতুনা লাক্লরম্মী।
মখোয়শিংগী শঙ্দা মহমুদ-ঘোড়ী শকনাইবনি
ওরা ওরেৎলক হনজিন হনজিন ওৎপনি।

ওৎলি মথৈ তুমদ্রবা ভারতনি ঙসিস্থু হিংলি
মশিং থিঙমদ্রবা ইচিন ইনউশিংগী মীচৈ মীরাওদা
শেমগৎ শাগৎপিরম্বা কয়া অমম্থু য়াংখিদো।
মখোয়বু লাইগুরু ওইনা ইরাংনরি।

মহমুদ ঘোড়ীদি ভারতবু নত্তেদো
মশামক্কী লৈকোল লৈরাং ফাওবা নৈথায়খি।
ঘোড়াগুম্না ঘোড়ীনা ক্ষিরজাওদা ফিগ্রী জাগাখি
"শাহনমা" কবিতানা মথুম মরাং হৌরবস্থু নাচুংদে

অনীশুবা শরুক

পদ খুদিং সনানা য়োমগনি
ময়েক খুদিং চাঁদিনা ষৈগনি ।।

ওইদা ওইরগদৌবা নিংথৌগী অকন য়াথং
থাজরুবনা লানবা তাবা অঙম্বগী শক্তিদা ।

কোরি কোককাইনা য়োম্না লকনবা
কবিবু করেম্নবা করি থোকখি নিংঙমদে ।

কলক চাউবা কোমদা পুথখিবনা
মরৈ অনি থোক্লা খংপদগী নিংঙমদবা ।

থাজরুবা কবিনা নিংলম্বা আশাগী য়াংমদা
মহমুদনা তম্নালাই শাহ্‌না শাম্নরকপা লিলাদা ।

থাংবা ঙমখিদে থম্মোয় কায়খি সভা মাংদা
কবিতা চনিংদা চথমখি মিনম নিংথৌ ।

কবিগী কাইনা মৈচাক্লা নিংঙমখিদে অঙম্বা
মতিক চাদ্রবা লৈঙাকলোয়শিংদা চনবা অঙম্বা ।

হিংচা য়াইতম্বা ঔরঙ্গজেবস্থ অহুমঙাই
শঙ্গিংস্থ শংফুম ফুমখি হিংনম নর্মখি ।

চোর-চন্দাল ওইনা পোক্লমগদ্রা খম্নরি
কোকেৎমার ওইবা অঙম্বরা নিংনরি ।

অনীশুবা শরুক

কলকপগী পংখৈ লৈত্রে জগত্তা
মীহৌফমগী হৌরকফম অংকপনি অংকপা

লৈঙাক মপুনা থকশি খাশি নাইত্রবদা
ইমাগী পাউতাক পিরাংনা পিফমনৈ ।

অঙাংশিং মোরেল সাইন্স পারুবা
(Greed is a curse)

কোফু কোফাল লাইরকোন্নি

কোফু নংনা করি পামন্নি
নবুক ইকং-কং কনা-কোনগেরা
কোফু কোফাল লায়রকোম্নি ।

কোফান নংনা কনাবু ফাগেরা
নখায়াৎ ইফাক-ফাক নয়া-ইহি হিগৎ
কোফু কোফাল লায়রকোম্নি ।

থাং-তৈনা পুম্নমক তৈরে
ভোলেপ চারেপ শামৈ-য়ুনৈরে
মীতৈ মৈহৌরে ওফিস থদিং ।

নৈঙাকঁলোন শৈরেং

অনৌন্তবা শরুক

উসোব-মেলা চাউনা-চাউনা
এনশাং-নাপী অপং-উং
কোফু কোফাল লায়রকোম্নি ।

নাহং-নারেং মীহাং-গীপুন
অচৌ-অশাং মতৌ-তম
কোফু কোফাল লায়রকোম্নি ।

মীতৌ-তম লাইদা-কং
লাইর তাল্লে কোফু কোফাল
কোফু কোফাল লাইরকোম্নি ।

মরুপকী মরুপমক্তা কোরফু কোফল
শি-কাংলে মীতৈ পুম্বা
ময়ুম ময়ুমদা মৈহুম চুরি ।

কোফু কোফাল কায়র য়োলা
তুম্বা লেক্কদোরি, প্লাস্তীক খাও
থিবোং লিনশাং মানবা মালা খাও ।

প্লাস্তীক চফু উয়ান ভাক্তা ভায়রনি
প্লাস্তীক চাক-এনশাং ওইনা পাম্লনি
চয়োল চয়োল চাক্তা ফিদাম্নরি ।

লৈতাকলোন শৈরেং

অনীগুবা শরুক

লাঞ্জাও হৌগদৌবা ভাইহাক্তা ভায়রে
পাখংবা থিবোং থিরিম মথি কোংলে
লৈরক খুলক পুমতাও প্লাসটিক।

প্লাসটিক পামজবা মমা মপানা
প্লাসটিক মচা মশু ভাক্তা ভায়রে
থৈনি উমগে কোর-চাগে ভাক্তা।

মুংশিবা অচুম্বা ধর্ম্ম হুন্দোক্লা
লৌনম উসব মেলাগী মেলা
ফোঁফু কোফাঁল লাইর কোম্নি।

চাকয়াম শুত্থনা য়োংশবী থক্তা
মৈজাও থাত্থনা ফমদোললিবা
মঙক অচেংবদা চেগপনা কোইচপনিবা।
মৈতৈ লৈবাক্তা হীরম্বা থাংজাও
মীকোক ভৌরি মীনম মমলি
মৈশুং নমলে কোঁফু ফোঁকাল।

চাকচা হৈজানা হীরম্বা হীরম্বী
হয়েংদি মচামশু ভৌদৌরি
কোঁফু কোঁকাল লাইরকোন্নি।

মৈতাকলান শৌরং ৮৫
অনৌওবা শরুক

লাইগী কোন্নি কোংমাইনি
শোবাক কোফাল ওরু ফাজোং
কির মুংগী মৈমুংদা লংশিনবা।

লোংখরে লইরিক লাইগু কয়া
মৈমুংদা লংশিনখরে খংখিউখিনি
কোফু কোফাল লাইর কোন্নি।

ডি সি. ওফিস তাঙ্গোরবা
মীকোকউপ্পী পুং চাক চাক
কোফু কোফাল লাইর কোননি।

ঐনা পাল্লিভেদা

ওমতুনা চাগনি ঐনা পাল্লিভৈদা
ওম চারবসু চানা চপথায়গনি
শরু-শয়াং পুম্নমক চপথায়গনি
প্রোক প্রোক লাওনা পাউদর ওইনবা।

ফেলা মথাওম ওপখোম খোমগনি
লতু বেড়া চাবওম চাথোক্কনি
করি লমহেনবা য়ারেই লাইরবা
ঐগী ইনিংনি ঐনা পাল্লিভৈদা।

লৈশাকলোল শৈরেং

অনীশুবা শরুক

ফে'য় য়োক্লিং ইনিংনি
ত্রগ কাপ্লিং ইকুশিনি
গঙ্গা কানি করি ন'াংদে
র. কাপ্লিং, রাক্সি থক্লিং ইনিং।

ঐদি থুবাক ময়িদক্ষী হৌবনি
লাইবক য়েংগনি থোকউবা অমা
ত ৎ-পাৎ উরাউ থরাউ পানবনি
নখোয়বু শ মহৎকনি হ য়গৎলাং থাকনি।

নংহাক খংনা ঐবু য়াবনি
নংগী অপাম্বা ঐঙোন্দা শিন্নবনি
নংগী পুক্লিং খংই ঐনা
নখোয় মরিল পুম্নমক কোয়দৎকনি।

লাইর নং য়াওত্রবদি করি কাম্নবা
নংনা কপ্লদা নোক্লি ঐনা
ঐগী মুপী অঙাং করিনা থেম্নি
ঙম্মোক্কা য়ারোই নংতনা মরুনি।

নংগীদমক সনা লৈবাক মাংজসমু
মরিমত্তা করিমত্তা নাচুংদে
নংহাক মত্তনা কনা শকথংবিনি
ঐনা পাম্বদি মংবু নৈহৎপনি।

লৈশাকলোন শৈরেং
অনীশুবা শকক

নংগীদমক সনা লংকা ভুমখিদো
মথুরা বৃন্দাবন উজার মেলা শাখিদো
রাবল কংশা কনানা শকথংবিনি
লাইরবা নংতনা ঐগী মায়োক কানি।

চওবা, তোম্বা অমগী মমিংদা
হেক্তা ধর্ম্মদা খেংচেপ হায়গনি
নুমিৎ-থা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক খোঙ্গায়ননি
মোন্দ্রংনি মালংনি হায়ঞ্জিন তৌশিন্ননি।

ভায়োক চফুদগী ভাকশুম ফারগা
মিতম ভাগুম যমা লয়দা থাগনি
নোংমৈ গুলিনা চেংখোয়দিং কংকুম কংকনি
লিচৈ কারম্না তুলশি পত্র ওইরা।

চন্দন-চন্নানা তাৎ-পাৎ তৌগনি
ওইদবা কয়াগী বারেং শৈরেংনি
ইন্নাংদা তাউত্থনা ইন্নাক হুন্নি
তোরা তুনা পোরোপ-পোরোপ তুহনগনি।

পাবা পাদবা খবর পায়গনি
ফিজেৎ-লৈতেংগী ফিরাল পায়গনি
মনিং-মমাং থা-ন্নাং পংচৌং-চোংগনি
নোংবানগী কাওকা কৈফাগুম ফাগনি।

ৈ'ঙ'ক'লাল শৈরেং'

অনিগুবা শরুক

ঐগী সরক'রনি সরক শু শ ত্রনি
লৈবাক মথক-মখা শেস্থোকনি
নুংশাদা কৌগে মৈদা য়াইগ্রে ইনিং
খোকউ খোকইবা খেংউবা হায়দুনি।

হৈরুক পানাগুম মশুং তাহনগনি
য়াদ্রগা অমুক্তা পুলপ হুকচিনগনি
লাব্রুপ ফ হনগনি ঐগী চকশংদা
অথেন পোৎকা লে'য়ননা ঐনা সিত.নি।

কংলৈবাক ককণ্ডাওনরে

লৈত্রবাক অসিস্থ লালবুং নত্রম্রা
নত্তে নত্তে রাশলিলা শানফম
অহুইঙ মনিনা পুনঙান ঙানফম।

মৈতৈ মুক্রা হায়নৈ শোম্নেদো
কিশি তাখংলা তু মাং উৎ
ধ কাদার ন'হান্দে নোংবান্দে নিনিশ.দে।

থোক্কী থোক হরি শংক.তন
মাত.=পেম শেঙ্গা থুমজা
হরি ভক্তি হুর'ন চিংস্থি।

অনিশুবা শরুক

ওকিস মুংকিন কাংখোং চাই
ওকিসার হেলে ই শাম্না লেম্না-
শানৈ য়ুনৈ কলম্নৈথেম্না ।

নত্তবা শেন্দান লৈবীনা
লাইর কয়াগী ঈ-চুপ্লি
হরাউ কুম্বৈদা হং-শাহল্লি ।

তুরাম্নরে পায়োম্নরে কমিং-মমার পোম্নরে
কাং পালিগুম পারটিনা খুরক হাংদে
হরাউ মখোয় কাম্নরি লাই শংমাংদা ।

খোংবাল্লাই তিনখাক্ তিল্লাইখোগী থম্ল চায়্রী
খেংতেক মিত্তাং পুম্বা হরাউরি ইপানি ইপুনি
খংমুক-খংমুক খাইকুম খাইকুম অমরি ।

মীণি মিণি মৈণি তৈনি খাংণি লাউনরি
মরিন্দি পুম্নান চুহি নারিনগুম
চাবহু য়াদা মনাংগী মনাংবলা ।

মতিং ফুদোক্লত্রি মরৈবাক মজাত্তিগীদমক
অচুম্বা থিত্রি মরেন্ত্রি তৌনরি
লমজিংবিত্রি মডানগী লম্বা মুরেশি পুরক ।

মৈগী মমি লৈবগুম
অঙানবগী মমি মরৈগী
থরাইগী মমিদি থবক থৌরমনি ।

লৈঙাকলোন শৈরেং

অনিতম্বা শরৎ

লৈচিনগী পোমাই হাংবি
অকি খুংলো পাজী থোইনবি
থবান মিচাকী থোংচং য়েংনবি।

থম্বগী মিংদা তমফুলা চারি
কনচরগী কোনুদা চপথাম্রিবি মৈত্রবাক
শাহিং ওাহিং তানা ককপি মচেং-মচেং

পেজা থুমজা য়োকুথংলি থম্রিং হুয়া
মথোয় কাময়ে খোনেসন্দা নহারোলগী
কনবকী ল.ইহরাওবগী শ.নৈ থুনেবগী।

"লিশিং কয়া য়োথরে খোঁয়নদো"
"লাক অমা থয়া হেনথরে চংনবী
কোটানি মান্দপ মকু শানবগী।

উংপাই উংলো

নুংহারবগীদমক মথুম ময়াং হৌদুবি।
মজিন য়োৎনবি লিজ্জারবি খুউনপোং
ইবাকথুনবনা লাইরবদা লাজোন থপকুম থম্লি।

অনিশুবা শরুক

শেমʼও পাম্লুবগী শেনগ্লুউ চোম্বনি
লৌরি মুমকম মকং কংনবনি
হীরু হীনাওদা কোইচেন চেনবনি ।

থৌরী তংল্লা ইরাইমা চকুং ;
সমাজ অসি শাগরদা, নুপশুনি
ইমা কৌবা নংলম্নোই করম্নো ।

শেম্রাস্তা শবাক কাক্লি লাইনিংহল্লনা
অত্থ-অদা চেং-খোইদিং লাংথৈ মুংশি হিদাকতুম্নশি
তোকনিংকোক ককপাইদি লোকা লৌরবা নাইদে ।

অঙাং মুবী পুম্নমক ইপা পাম্নংহন্নম
কম্নু-লেম মুমু মশিশুম কিহম্নে
লৌনিং চানিংবনা মথুং কাম্নন চম্নি ।

চʼনাক তৌম্নি চাক ম্নেনশাংদা
মখেল নুকোম্নুগী মিত্রং তৌম্নি
নিশা পিজবনি দৈপ ভানবা ।

কুম লাইনাগী মীওই মাকুপা-মুম্নরে,
মবুক ইকং কং, মনিং ইচম্নু থম্নু
মংদা উগদোবা তুংকী তুংমকা ।

লৈঙকলোল শৈরেং
অনিশুবা শরুক

হরাওনরি চবানগী চাক এনশাংগুম
চাকলুক ময়াইদা রুমলি লাইশারি
মথেল চাম্বা নিপালনা লৈতেংলি ।

হুমাং মমল নত্তবনা নাচুংড্রি
উং চাইরি লাইরবা মতম খোকনবা
উরাকনা শিংলি উংপাং লম্বীদা ।

শ্যামোন লিলা

থরো থম্বা অমা অপাল ফহিংউ
লক্ষ্মী স্বরতী দুর্গাদেবীগী থবারনি ।

ঙসিদি থেনবুংনা করি ওইরি
চমু ওইরা কব্যোক লাংওল্লি ।

গোবিন্দ কংপন্থু শৌবিঙ শৌবিঙ
গোপাল দেবগী বালবুকস্থু খোইদাদে ।

খন্দোকথাক ওইরে ঙসিদি
চন্দনা কেনখিবা উংতংলৈগুম ।

অনিশুবা শরুক

দেব-কর্মদা থোক তৌরম্মোই
ভক্তি প্রেমদা কনখ্রা তৌররোই
য়াবগশুম মৃত্যুবরনা পাম্লা বাম্থরি।

খুন্তাক লা-শিবগশুম য়েংহৈদরে মৈতৈ
ইম্ফাল সহরগী কৈথেল লাইরেম্বী পিরাংনরি
মাপাল ফরিঙৈ অমম-অথেংদা উচান-মৈরা প'য়জরম্বী।

ওসি বীজম্বী য়রুমদা কিরুপ খুম্মা কপ্লি
মপারি কয়াবু কৌরি "খুদাং পায়ররো
অঙানবা অসিনা ইমাবু মমহল্লি।

লোইরবা

অনিশুবা শরুক

খম্বা, শামু খোংনেং অরাফম
ভৈগংচন্দ্র, তেলহৈবগী শরেংদা অরাফম।

আলেকজেন্দরগী লাঙ্গাওনা মহাভারত-রামায়ন ওইরা
পৃথিবীগী লাঙ্গাও অহুম শুবা ওইখরে।

মরিশুবা লাঙ্গাওদি সুন্য তাই
পুমতুম তুমলগনি মঙাশুবা লাঙ্গারিরোই।

কলি যুগ লোয়রমদাই সত্যনি

মণিপুর বীধানসভাদা তাংবল লংনরে
ডি, সি ওফিস মীকোক ভেংখরে
অমাংবা ঈশিংনা তাংবল চায়রে।

পুরাণুম লাতমদা ময়েক তায়রনি
যুগ লোয়শিল্লমদাইনি কলকি অবতারনি
শান্তি লাক্লগনি প্রেম ইহৌরক্লগনি।

নিশাগী মৈশা কংনরে অংশোথামাঙুম
মরাইবক্তগী চিন্তামনি ফক্লা মক্ল কোকথোক
উপায় লৈতে নিংশিংনরি "শান্তি, শান্তি"।

অনিশুবা শরুক

মোন্দ্রং শান্নবা

র'মায়ন মহাভরত বারি লাইরিক্
করম হায়শিন্না থোকখিবা থৌদোক্নি।

খম্বা-থোয়বী, রাধা-কৃষ্ণ শায়োন্নি
মোইরাং কংলৈরোল মালেম শৈথারোন্নি।

ডাক্তর কমলগী "মাধবী" ইতিহাস নত্তব্রা
কঞ্চীপুরদা চন্দ্রনদি চেন্নি হৌজিকসু।

চীংয়া লৈহাও শাংলক্মী মুংশি-লৈনম
বারুণী খুরুম্বা চংনরি চীঙ্গোয় নিংশিংবরি।

লৈরমদবা পোং লৈবা হৌনদে
মমিং লৈরবদি পোংশক লৈরমগনি।

লৈশেম্বা মপু অমদি শোয়কদে
মহাক অত্থ থৌরম থৌদানি।

ভৈগ্যচন্দ্র শামু ফাদে করম হায়শিরা
হৌজিক হৌজিক লক্ষ্মী বাজারদা ফারি।

লৈঙাকল্পোল শৈরেং
অনিগুবা শরুক

পামেল কেগেগী লৈরাং লৈউগুম
থেনবুং থমচেৎনা অবা-মৈশা লাংলি ।

থক-থা মায়কৈ-শলাই থংত্রি
লৈঙাক্লোয় করাগী খুজিল থৌরাংগুম ।

নোংমগী লাল নিনিগী লাল শোক্লয়া
চাচাবাংগী নিংথৌগুম থৌনা করুবা

শিয়োই নায়োইদৌগুম থজকবা
শায়োল লিলা কাউকরে থয়ো থবাল ।

হনগুম-তিনগুম পোকপা মপোক্তুম
মপোক কয়ারকী মহৈনি কাওজবা ।

থেনবুং-থমচেৎনা মরু লুক্লা ফুমবংনরি
মঙানগ উদয়ে খোম্বাংগু ভাদরে ।

কদোমদনো মহাকী অয়োইবা পম্বুংকম
অচুম-অরান অনিমক্তা লম্মুক্লরি ।

অরানবা চুম্থোকপা

লমাই	পারেং	অর'নবা	অচুম্বা
১	১৯	থক মখা	থক-খা
২	১০	খংদা	খংদ
৩	৩	অমতা	অমৃত
৪	১৪	ফি-নিরুবা	ফিনিরুবা
৫	৩	পোকশিশি	পোক্লৈশিবৈ
৬	১১	তাইওখনি	তাইওনবনি
৭	৯	গানধিবা	গানদিবা
৭	১১	মংলা	মংল
১১	৪	খবী	খাবী
১১	৬	লৈমায়োম্নি	লৈময়োম্নি
১১	৭	য়াইসখুল	য়াইস্কুল
১২	১২	শংডাং	শঙাং
১২	১৩	তানরি	তান্নরি
১৩	১	চেত্না	চেন্ন
১৬	১	শক্লিং	শক্লিংবা
১৬	৬	শিবা	শিব
১৬	১৪	চিংন্দবা	চিংন্নদবা
১৬	১৫	ভক্লাশিংনা	ভক্তশিংনা
১৮	২	খাং তপ্পা	খাংতপ্পা
২১	১	কৌরৌ	কোরৌ
২১	১১	সংক্লুতিনা	সংস্কৃতিনা
২২	১	কানদরে	কান্নদরে
১২	১	অরেম্বম্নি	অরেম্বনি
২৩	৫	ম্নাপারি	মপাম্নি

অরানবা চুমথোক্পা

লামাই	শরেং	অরানবা	অচুম্বা
২৩	১৫	শায়োলিবা	শায়োল্লিবা
২৩	৬	হিহুকুস	হিন্দুকুস
২৪	৮	অৰ্যনা	আৰ্যনা
২৪	১২	মাপু	মপু
২৪	১২	লাঙ্গোকচরি	লাঙ্গোকচরি
২৫	১	কাংখা	কাংখ
২৫	৮	তেংতোরে	তংতৌরে
২৫	৯	মাপান	মপান
২৫	১০	সান	সনা
২৫	১১	আহা	অহ
২৬	২	পলানিং	প্লানিং
২৬	৪	গোবিনদবু	গোবিন্দবু
২৬	৫	ঋ মী	ঋষী
২৭	১	তায়ান	তয়ান
২৭	৩	বাত	বাংত
২৭	১১	বাদ	বাদি
২৭	১২	ফোংদোক্লা	ফোংদোক্ল
২৭	১২	চেকশিল্লা	চেকশিল্ল
২৮	১১	তাহাদবা	তহাদবা
২৮	১২	কানানো	কনানো
২৮	১৪	বাঙ্গোল	লাঙ্গোল
২৯	৬	অগুম্না	অগুপ্পনা
২৯	১০	অধম্মা	অধর্ম্ম